দেখতে 'সোনা [illegible]' দেখুন।

মৈগৈমৈখো তিথাইমৈ লৎকাং কশাক

" রৈম্নুং পন্নি বন " তানা কজন খোনলৌনা পন্নি ২০ (অচুই) বুংলুংখো অকাই ৱোংমৈ পন্নিনি ৱোংলৎ থাইমকমৈ গানশাকনি পাকনহু নিংনা পন্নি ৯ (চকু) খো তাই লৎনাকথং হিলন। চেপাক কশিং ১ (কথং) খোবোই ৫৩' ৱকণ্ড কথুমবু) ঙনমৈথো লাইরিক কলাওনা শুনা নমবাই লৌকনথে। কলমথো ৱোংলৎ থাইমকমৈ গানংরোই তাইলৎ থংনি ৱোশাকলৎ কনৈ ককমৈ লাইরিক লানা কগে কাইনামকগে। হৈথোকুরোই ৱোংলৎ থাইমৈরোইনি পন্নি কথংনতৈ ৱোংলৎথো হিমৈ পাতানলনা তাইলৎথো হনপংমৈ পন্নিতৈ পা কলোইবমথংনি কগে মকগক। হৈকুনপুই ঙাংথোরোই " ৱোংমৈ নাগাগী ফুঙ্গ ৱান্নী (মীতৈ লোন অমদি ৱোংমৈ লোন) কাওমৈ লাইরিক থোরোই লাইরিক কনৈ তিপংথং কতংথো করমদংথংথে হৈমৈহৈ পানিমৈ মৈগৈমৈ খুদাংচাথং শুঙোংঙে। পন্নি ২০ ৱোংলংনা কথং লাইরিক শুনানমখো ৱোংলৎ থাইমকমৈ প্রেসমৈ শুনরোই শুতুংলে আইরোই তান তিনমাইন ঙাওমিনচুই মকতুংলে তংখো রোই বনান লানমৈ কহেক গৈনা নাইকনথে হৈতৈ লুংনিংদাইমৈ পামৈহু নরোই কজং ঙাওনা পালৌথো। হৈকুম্ম লানমৈ লমতৈ মৈগৈমৈরোইনি মাপ শুলৌপুথং লুমমে।

হিমৈপু—

ৱারী য়াওকম তাকপা

মৈতৈ লোন্দা ৱোংমৈগী ফুজা ৱারী চবুন।

ৱোংলৈ লোন্দা ৱোংমৈগী ফুজা ৱারী চবুন

হীরম	লমাই

জেলেংরোং জাতিগী হৌরকফম

জেলেংবোং জাতিনা থাজে মাহুদি জগৎকী মপু ঈশ্বর ইবুংঙোনা জগৎ অসিদা লৈবিবা লেংলি পাল্লিবা অচৎ চৎতা পুম্নমকপু শেম্বিবম্বা পুন্নমক্কা মনুংদা মীওইবা ঐংখাইবু ঈশ্বর ইবুংঙোনা হেন্না চার্নবিবমী। ঈশ্বরনা মীওইবদা বুদ্ধি লৌশিং রাখন খনথবা ভম্বগী শক্তি হেন্না পীশল্লে। মীওইবনা মপাঙ্গল মরৌশি মবুদ্ধি চাংদ্রিঙেদা নো শা কৈগুম্বা মপাঙ্গল বল্ল কল্লবা জীব অতৈনা চাথোকপা ভমদনবা শাযহুনা লৈখুল, গুক অমদা মীওইববু য়োকখৎলমই। চাওদ্রিবা ফাভবা হেলোই লাই ফাবি হুনা শান্নমিন্নহল্লম্মী। মখোইনা চৎলমদাইদা শা কৈনা চাথোকপা ভমদনবা নুংপাক অচৌবা অমনা কুপশিল্লম্মী। অম্বুম্না মীওইবনা মবুদ্ধি, মরৌশি, মপাঙ্গল চাওরবা মতমদা ঈশ্বরনা যন্দং অচৌবা অমা থাজিনহুনা মাগী মচানং নুংপাক অহু হাইগৎহনবদা লৈরমলিবা মীওইবা অহু মথং মথং থোকলকখি হায়নৈ।

জেলেংরোং মীশিংগী রারী মতুং ইন্নদি : হায়রিবা লৈখুল অসি রমতিং কবিন কৌবা মফম অহুদা লৈ হায়নরি। লৈখুন্দগী থোরকপা অহুগী মমু দা পোকরৈ কৌবা নিপা অমা, অহুগা দিচালু কৌবা মুপী অমা লৈরম্মী হায়নৈ। মখোই

অনিগী মচা নিপা মথং শিংনা (১) ভুইবা, (২) শাগি, (৩) অনিউৱা অমসু' (৪ চ'িউ ে'পাকথি। মথোইশি অসিনা মথোং কারকলবা মতমদা তোঙান তোঙানবা মাইকৈদা খুন্দাবা চংবিরঃ ই।

ময়াম্বা অহন ভুইবানা মকুইলোংদি চবানম হায়বা মফম অহুনা ঙিংখ্রৈ ওইহুনা পাল্লম্মী। মতম থবা ময়াম্বা ভুইবাগা লৈমিন্নরম্মগা মীশিং য়ামথবলকপা অসিনচিংবনা মরম ওইহুনা মচিন মনাও তোংঙান তোংঙানবা মফমদা চত্তুন' খুন্দাবা হৌরম্মী। শাগি কৌবা ম্রচিন মনাওগী মবক্তা য়াইমা অঁথোংমম হায়বা মফম অহুদা খুন্দাথি। অনিউৱাং কৌবা যাইমা অমনা কমরোংবো কৌবা মফম অহুদা খুন্দাথি। চতিউ কৌবা থৱাইগী অনোমবা অহুনা লুংফৌ হৌজিকনা কৌএ কৌক্রু চীং অহুদা খুনদাথি। চতিউনা কৌক্রু চীংদা খুন্দাবা অহুবু নুংফৌ খুন্দা অহানবা হায়না ঐখোই মৈতৈ লাইবিক অরিবদা হায়রিবা অহুনবি হায়রে। মথোই মচিন মনাও মরিনা পুন্না লৈরিংবোন খুন্দাবা মফমশিংদি অহানবা রমতিং ববিন (৫৫ve ৪ge) ২ মরেম খুন্দি (৩ চগোং ফুংনিং, (৪) অংখো নম, ৫) কৌক্রু চিং (৬) মকুই লো দি চৱানম অসিনি। মকুই লোংদ্রি চৱানমদা লৈরিবৈগা অপুনবা য়ুমনাক মশিংসি ৭,৭৭৭ হৌরম্মই হায়রে। মচিন মনাও মরীগী রারি তোংঙান তোংঙাব্বা লৈরমগনি হায়রু ময়াম্বা অহন ভুইবগী রাম্মিদা মপুং ওইনা মথাদা পীজরি।

মকুইহোংদি চবানমদা নিংথৌ ওইনা পালবা ঙ্কইবা নিংথৌ অসি লুহোং থোংদোংতুনা লৌবা মুপী অমা লৈরমই। মুপী অতুনা অহানবদা মচা পোকললকতবা অতুদা ঙ্কইবনা মাগী মরম্না লৈতবা যাদে থন্দূনা মুপী অমবু অমুক লৌরে। ঙ্কইবা মুপী অনি লোল্লে। মতম থরা লৈবগা অতোপ্পা অতু মচা নিপা অমা পোকলে। মতম থরা অমুক লৈবগা মাগী তালোই অহনে অতুস্তু মচা নিপা অমা পোক্লে। হায়রবদি অতোপ্পীনা মচানিপা হান্না পোকপা, অতুগা অহনবা মচা নিপা কোন্না পোকপা অসিনি। মাসিনা মরম ওইতুনা নিংথৌ ঙ্কইবানা তুংদা অহল ওইরকলবা মতমদা নিংথৌগী খুবম মচাশিংগী মরক্তা পানবা থনবদা অকৰা অমা ওইরাখি। অমুম্না ঙ্কইবগী তালোই অনিমা মথং মখং পোকশিল্লকপদা মচা নিপা তরেৎ তারে। মখোইগী মমিং মথং মগং মখাদা পনজরি।

১। কদিং (কদেং থাংজা হনবা)

২। রেমবৰা (অঁপুইমৈ)

৩। দিমাপৌ

৪। মলিয়ানং

৫। দিলনং

৬। কচিয়ানং

৭। মংলেমবা মৈদিংগু

নিংথৌ ঙ্কইবগী তালোই অহনবা মাগী মচা নিপা থরাইদগী অতোপ্পবু হেন্না মু শি অতুনা ময়াম্বশিংবুনা লৌ লোইনা

চংহনখ্রগা মচা নিপা অতোম্ববু য়ুম শংহল্লি। মচা নিপা অতোম্বা মংলেম্বা/মৈদিংশুনা য়ুম শংহনা হুই; য়েন, ওকপু পীজ পীগক্কুনা লৈরিবৈঙ মতম অহুদা মখোইগী ওকপী অমদি মচিঙ্গাক চাবা নিনিশুনা লাক্কে। মহুদা মংলেম্বনা মমাদা হঙ্গংচখি, "ইমা ঐখোয়গী ওকপী অহু মচিঙ্গাক চাবা লাক্কবা ঙসি নিনি শুরে কক্কি তৌখ্রক্নো থংদ্রে" অসুম হায়না হংগংপা মতমদা মমানা খুমখি চইবুংঙো ঐখোইগী ওকপী মচিঙ্গাক চাবা লাক্কবা অহুদি মচা পোকপা চংলবা/ওইগনি মানা লাক্কবা নুমিত্তগী থানা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা মতমদা শোইদনা য়ুমদা মচিঙ্গাক চাবা লাক্কনি মানা মচিঙ্গাক চারিবৈঙদা ইবুংঙো নহাক্না তুঙগোন (খৌতেবুং) অমগী মনুংদা ব্রাইকুপ থম্না হাপলগা তু গোন অহুগী মনিংদা মখুল থজিক্কুং হোংহল্লগা ওকপী অহুগী মঙক্কা থৌরিনা কিশিল্লু ওকপী অহুনা মচিঙাক চাবা লোইবগা মচাশিংগী মকমদা হনবা মতমদা মঙক্কা য়াল্লিবা ব্রাইকুপ অহু তুংগোল অহোবা অহুদগী ব্রাইকুপ খরা খরা তারম্বা অহু থিরকলগা ব্রাইকুপ কোম্না তারম্বা মফম অহুদা মহুন শাহুনা লৈরমলিবা অহু শোইদনা যেনানি/" তরেৎনি শুব, নুমিৎ অহুদা মচানিপা অতোম্বা মংলেনা মমাগী পাওতাক মতুংইন্না তৌরে। নুমিৎ অহুদা ওকপী অহুগী খোগুল লিহুনা থীরকপদা পাং (অতু) অচৌবা অমগী মপান্দা ওক মহুম অহু থেংনরে। মংলেম্বানা ওক মহুম অহুগী মনাক্তা লেপতুনা লৈরিবৈঙ মতমদা লাঙ্গইরেন অমনা পাংকী ঈশিং অহুদগী খোখ লগা ওকনাও অমা উমহুনা চাথোকখিবা

অহু উবে। অহুদগী মংলেম্বনা থুনা য়াংনা চেন্দুনা ওক মকম থেংনবা মফম অহু মমাদা তমলয়ে অহুগা ওকনাও চাশিং অহু লাইরেন অমনা ফাহুনা চাহৌরে হায়না পাওদমলুরে। মহু তাবদা মমানা হায়খি— "ইবুংঙো অহু ওইববদি য়াইঙ' থব পূরগা য়াইঙং অহু মচেৎ মচেৎ ওইনা শোইদোকলগা ওকমহুম অহুগী অকোইবদা চাইথোকলুচৎলো অহুম-তৌরবদি লাইরেন কদৌইঙদসু কাথংপা ঙমলবোই। মাহু তাবদা মংলেম্বানা মমাগী পাওতাক মতুং ইন্না তৌববা মতুংদদি লাইবেন অহু অমুক কাথৎতুনা ওকনাও মচা ফাহুনা চাবা ঙমখিদ্রে। চয়োল অনি-বোম শুববা মতুংদদি ওকনাওশিং অহু ফারগা ময়ুমদা পুরকলে। ওকনাও পোকপা মফম অহু গকবোলোং হায়না থোনখ্রে । ঐখোয় মৈতৈনা মফম অহু ওকনাও পোকপী হায়না কৌই। মৈতৈনা গৌবিয়া ধর্ম্ম চৎলবা মতু দা ওকনাও পোকপী কৌবগী মহুগী মফম অহুদা য়াইঙংসু য়াম্না হৌই হায়হুনা য়াইঙ'পোকপী হায়না হৌজিক কৌনরিবা অসিনি। লাইরেন কারম্বা মফম অহুবু মহাদেব চিং হায়না কৌই। পাৎ (তুং) হায়বা অহু হৌজিক তুম্পাক্কী শককপুনি হায়নৈ ।

মখোই মচিন মনাও তয়েৎনা মপুংমরৈ ফারকলবা মতমদা মহৈ মহৈময়ুম পাল্লে। মকুইলোংদি চরানম অসিদা য়ুমমাক য়ামথৎলবা অসিনা মবম ওইহুনা মখোই মচিন মনাও তয়েৎ অসি তোঙভান তোঙভানবা মাইকৈদা খুন্দানবা লেপলয়ে। মচা নিপা কদিংনা চগোংফুমনিংগী অয়াং থংবদা খুন্দাখি। হৌজিক-

লেংমৈ নাগাশিং অসি কদিংগী মচা মগুশিংদগী থোরকপনি হায়নে। রেমবংবা দিমাপো মথোই অনিনা চগো ফুংনিংগী থা নোংচুপ থংবদা থুন্দাখি। হৌজিক অঁমপুইমৈ অময়ুং জেমৈ-শিং অসি মথোইগী মচা মগুশি নি হায়নে। মলিয়ানং অসিনা চগো ফুমনিংগী অরাং নোংপোক থংবদা থুন্দাবা চৎলম্বা য়াই হায়না থাজনরি। কচিয়ানং অময়ুং দিলন্নং মথোই অনিনা চগোংফুমনিংগী মথা থডবা মাইকেদা থুন্দাখি। রোংমৈ জাৎ অসি দিলনন গী মচা মগুশিংদগী লাকপা ওইগনি হায়না থাজনৈ। ভুইবগী মচা নিপা অতোম্বা মংলেম্বানদি চগোংফুমনিংদগী থা নোংপোক থংবদা লৈবা গকবোলোং (ওকনাগপোকপী) হায়বা জাগা অসিদা থুন্দাগে হায়তুনা থুন্দাখ্রে। গকবোলোং কৌবা মকম অসি নোং মুংশিং য়ামনা কল্লি, মবম অতুনা মংলেম্বা অসিনা শেনলোং (বারুনি) চীং অসিদা অমুক থুন্দাখি।

মতমগী মতুং ইন্না মথোইগী পাবুং ভুইবা অসি অহল ওইশিল্লকলে। মাগী নিংথৌগী খুবম অসি শিনবিনবা মচা মিপা তরেৎ অসিগী মনুংদা কনাবু হাপসিগে হায়বগী মতাংদা মতোম-ভনা লেপ্পা ওমলকত্রে মরমদি মাগী তালোই অহনবীনা মানা পোকচবা মচা অহনবু নিংথৌ খুবম ফংহনগদবনি হায়রে। অমরোমদা মাগী তালোই অতোম্বীনা মানা পোকচবা মচা নিপা অহন্না মথোয় মচিন মনাও তরেৎকী মনুংদা থরাইদগী অগননি, নিংথৌ খুবম পীগদবনি হায়বা অসিনি। তানজা অসিদা

নিংথৌ ঙুইবনা মচাশিংদা হায়রে ইচাশা হৌজিক নখোই নচিন ননাও তবেংকী মনুংদা কনাবু ঐগী ইহুত্তা নিংথৌ খুবম পীশিগে হায়বা য়াফম অসি নপা ঐনদি খনবা ডমত্রে অতুনা য়াফম অসি নখোয় নপাতোন (খয়া) কৌক্র চীংদা খুন্দাহুনা লৈরিবা চতিউগী মফমদা নখোই ময়াম চৎলগা মাবু বিচার তৌহল্লুবো। অসি য়া তাবদা মখোয় মচিন মনাও তরেৎ পুল্লপনা মপাতোন চতিউগী মফম কৌক্রচিংদা চৎখ্রে। কৌক্রচিংগী চিংখোং য়োবকপা মতমদা মখোয়না অহল অমা থেংনবে। অহল অতু কনা ডইরমত্রে মপাতোন চতিউ অদু ওইরমলে। অহল অদুনা হংলকই অঙা শা নখোই অসিদা লাকলিবা অসিবু কবিমরমগীনো ? হংবদা অঙাংশিং মচাশিং) অদুনা খুমলকই "ঐখোইগী পাবু ঙুইবনা অমুমনা তাকপিরকই মাদুদি কৌক্র চিংদা ইপাতোন চতিউ লৈবনি মঙোন্দা চৎলগা অবেপপা বাবোল লৌরুবো হাযদুনা থারকপনি'। য়া অসি তাবদা মপাতোন চতিউনা লোইনা ভাব তারে। মরম অদুনা মপাতোন চতিউনা লোইনা ভাব তারে। মরম অদুনা মপাতোন চতিউনা বিচাব ইতৌ তৌদনা মচা মযাম অদু ময়ুম দা পুশিল্লগা চাক ইনশা হাওনা পীজ পীথক তৌরগা তুমহল্লে। মপাতোননা কবম করম্না বিচাব তৌবক্কদগ হায়বা মখোই মচিন মনাংশিংদি খংলমদে।

হয়েংগুম্বা অয়ুক নোংঙাল্লকপা মতমদা চত্তিউনা মচাশিংবু হৌদোকললমই । অতুদগী চত্তিউনা হায়রখি " য়েংঙো মাংগোন্দা চাক ময়োম হৈনশাং ময়োমগা কোন্ননা নখোয় নচিন ননাও তয়েত্তকী পরেংশানা থমলে । অহননা অহানবা অতু লৌয়ো অস্তুম্মা মথং মথং লৌবগা থয়াইগী মমৈথংবদা লৈবা ময়োম অতু অতোম্বনা লৌয়ো চাকয়োম অসি নপা ঐনা ঙসি অহিং ঈশ্বরদা হৈবাং পূজা, থৌনিনচিঙবা তৌরগা নখোয় ময়াম মতম কুইনা পূকচেন খোইজেন তিন্নতুনা লৈমিন্নবা অমস্তুং পুনসি তো-লোইনবা শোন্দুনা থম্নবা চাক ঈনশা ময়োমনি "। অতুগা মাংগোনগী নাকল অমদা ষনবা অমা হুইলাবা অমাগা পুন্দূনা থমলিবা অসিস্তু পুখ্রো' ষনবী অমস্তুঙ হুই অসি নয়ামবা অহন অনিনা চিঙগদবনি নখোঈ চাক ইনশাঙ ময়োম অসি পূরগা হুঈ অমস্তুং যনবী অসি চিঙতুনা অমস্তুং চংলকপদা ষনবী অসিনা ঈশিং থকলগা ময়ুঙ হাঙবা অতুগা হুইনা খোঙবা মফম অতুদা পোখারগা অদুগুম্বা লোক অদুদা চাক ইনশাং ময়োম অসি মহৈ মহৈ লৌথোকলগা চাগদবনি । য়েনশাঙ অদু লৌথোকপা মতমদা য়েন মকোক য়াওবা য়েনশাঙ ময়োমগী মপূ অদুনা নপাবুঙ ঙুইবগী থুবম ফঙহৌরগদবনি । মাসিগী রা অসি ঈশ্বরনা ঐঙোন্দা তাকলমবগী নখোয় ময়াম-দা তমথোকললকপগী রানি" অসি হায়রদুনা মপাতোন চত্তিউনা মচাশিঙ অদু হনহনথি ।

মপাঙোন চত্তিউনা ভাকলম্বা পাওতাক মতু· ইন্না লামলম্মু লামনা খোৱাংলবস্মু খোৱা না লোক তরেং, চীংলোন তরেং লাল্লকলবা ফাওবদা যগবী অহু ঈশিং থকখিত্রে, ময়ুং হানখিত্রে হুই অহুস্মু খো খিত্রে। অহুমকপু হৌজিক অঁংকো অমদি চদোন হায়বা ভাগা (মক্ম) অনিগী মরক্তা চেলবা "অজাহুইকি" হায়না কৌবা লোক অহু য়োবা মতমদা যগবা অহু ঈশিং থকলে, ময়ু হাঙল্লে অহুগা হুং অহুনস্মু খো লে। অহুদগীদি মচিন-মনাও তরেং অহুনা মাসিদা এ.থাংবু চাক চাংযান লৌ.থাক্কুনা চারো হায়বা মক্ম অহু ওহৱগনি থনহুনা পোখারগা চাক হনশাং ময়োম অহু মহৈ মহে লোৌপোক্কুনা চানবা য়ে বদাদ মনাও নিপা অতোম্বা ম লেম্বাগী য়েনশাং ময়োম মরক্ত য়েনা মকোক য়াওরমলে। চাক ইনশাং অহু লোৌথোক্কুনা চারে। ময়ুম য়োরগা রারা পুন্নমক অসি মপাবুং ঙুইবদা তমলরে। মাহুগী মতু· ইন্না থন্নাইগী অতোম্বা মংলেম্বানা মপাবুং ঙুইবগী স্বতঃ ফংহুনা মকুহ লো দি চরানমগী নিংথৌ ওইবা তাখি।

মমৈথংদা মকুইলো দিদগী খুন গাংগন চেনবা মতমদা মংলেম্বানা ওকনাউ পোকপ হৌজক যাঙৈ পোকপা হায়না থওনম্বিবা মক্ম শিদা খুন্দাদুন। মতম থরা লৈরমলগা নো মাইজিং চি থক্তা লৈব শেল্লা (থাল্লাং) হাযর মক্মদ অনুক খুন্দা লৈভানা লৈবা হৌখি। মচিন-মনাওশিংদা মপাঙোন চত্তিউনা ভাকলম্বা পাওতাক মতু ইন্না লৈবাক অসিদা মংলেম্বা হায়বদি

মৈদিংগুগী মচা মগুশিংনা মথং মথং নিংথৌ ওইরকপিবা অসিনি। য়ারী অসিগী মতুংইন্না ঐথোই রোংমৈ জাত্তিগী চৎনবীদা মপা অমগী মচা অতোম্বনা মপাগী স্বতঃ লোগদবনি হায়বা চৎনবী ওইনা তৌরিবা অসিনি। মরমদি ময়াম্বশি দি মপাঙ্গল মরোশিং চাওরবনিনা মতোম মতোমতনা ময়ুম মকৈ পানবা ঙমলে; অতোম্বদি থরাইদগী নহানিনা মপাঙ্গল মরোশিং চাওত্রিবনিনা মপাগী স্বতঃ লৌহৌবদি মচিন মনাও মুংশিবগী অচৌবা খুদম অমনি থন্দুনা মপা অমগী মচা অহনশি না মাসিগী চৎনবী অসি অয়েৎপা অথিংবা লৈতনা য়ানরিবা অসিনি।

লাংথোইপি

থাইনা মমাংঙৈদা মচিন মনাও য়াম্না লৈবা ইমুং অমা লৈরম্মী। অহনগী মশিংনা লা থোইপি হায়না কৌই। লমলক্তা পামলো উবনা ময়াম্ব লা থোইপিদি লোশংদা তুম্মী। মনাওশিংনা মু লগী চাকায়নম পুবকনা অহু চারগ নির্তগা লো শুহনা লোবুক্তা লেপ্লি। নোংমদি লোবুক অহুগী অয়াং পাংবদগী লোকত্রোওবী (য়াদাওপুই) অমনা লা থোইপিগী মিং পনহুনা লাওরকই— "হে লাংথোইপি" হায়না। লাংথোইপিনা খুম্মী 'হো" হায়না। লোকত্রোওপীনা অমুক্তন লাওরদি" চাকয়োম য়ুথোমপুরক্কা?"

লাংথোইপিনা খুম্মী "পুরকতে"। লোকত্রোওবীনা অমুক হায়রকই – "পুক্রবদি নংবু হিংনা নত্রগা থোংলগা চাথোকলংগদবনি"। অসি তাবদা লাংথোইপিনা কিহুনা "খজিক্কংদি পুরকই" হায়রনা খুমখি। অতুদগীদি লোকত্রোওবীনা লাক্লুনা লাংথোইপিগী চাকয়োম য়ুথোম অত্থু লোইন্না চাথোকখ্রে। অসুম তৌহুনা মুমিৎ কয়া হৌখ্রবা মতুংদা লাংথোইপিগী হকচাং য়াম্না কংশিল্লকলে। ফিবম অত্থু উবদা মনাওশিনা হংলকই "হুয়াম্বা লাংথো পি নহাক্কী নয়াং অসুক ক শিল্লিবা করিগীনো"? হংবদা লাংথোইপিনা খুম্মী "ইনাওশা নংথায়না য়ুমদা লোইনা হনখ্রবা মতমদা লৌগী অরাংলোমদগী লোকত্রোওবী অমনা চাকয়োম য়ুথোম পুরকপ্রা হায়না নিংতগী লাওরকই। লৈতে হায়ক্করগা ঐবু চাথোককনি হায়। য়াওই হায়গা মানা লাক লাক্লুনা চাখিবদগী ঐহাক চাবা ফ দবদগী য়াং য়াম্না কংশিল্ল কলিবা অসিনি। ময়াম্বনা হায়বা রা অত্থু তাবদা মনাওশিংনা লৌশংদা লুমহুনা নোংমদি লৈরে। মতম অত্থুদা লোকত্রোওবী অহ্থু অমুক লাওরকলে। মতম অত্থুদা মনাও নিপা অমনা খুমখি চাকয়োম য়ুথোম অমত্তা য়াওরক্তে হায়না। মাহু তাবদা লোকত্রোওবীনা শাওহুনা লৌশং তান্না লাংথোইপিবু চানবা হোৎচিত্রকলে। মতম অত্থুনা লাংথোইপিগী মনাওশিংনা লোকত্রোওবী অত্থু ময়াম চংনা ফারে। লোকত্রোওবীবু পোলা অমদা হাপ্লগা লাথোইপিগী য়ুমদা পুরকলে। লাংথোইপিগী য়ুমদা

থমলিডৈদা বণ অমনা 'মো' খোংবা তাবদা লোকত্রোওবীনা হায়-রকই "মামা লাখোইপি মখোন অহু করি মখোন্নে" হংই লা'খোইপিনা থনখি "মহুদি মীরাগৈনবা শানি" হায়বদা লোকত্রোওবীনা হায় "কিজৈ"। ভাইহাক লৈরগা ওক্খোংবা তাখি। মাহুদা লোকত্রোওবীনা হায়— মামা লাংখোইপি মখোন অহু করি মখোননো? লাংখোইপিনা হায় "মাহুদি— মী চিককনবা শানি" মাহুদা লোকত্রোওবীনা কিজৈ হায়। ভাইহাক লৈরগা হুই অমনা গৌ গৌ খোংবা অমুক তারে। মাহুদা লোত্রাওবীনা হায়রকই 'মামা লাঙখেইপি মাহু করি মখোন্নো"? লাংখোইপিনা খুম্মী "এ মসিমু মীবা চিককনবা শানি" লোকত্রাওবীনা হায় "ঐহাক মাহু কিজৈ"। মমেথংদা য়েনবা অমনা নো ভাল্লমদাইদা "কো-করো-কো" হায়না খোংবা তাবা মতমদমু লোকত্রাওবা অহুনা অমুক হায়রকই "মামা লা-খোইপি মাহু করি মখোন্নো? লা খোইপিনা খুম্মী মাহুদি মীবু মাগী মছান ফুবা, মাগী মখো'না মীবু খোৎপা মচিননা মীবু ফোইবা য়েনবা হায়বা অহুনি"। লোকত্রোওবীনা হায় 'ঐহাক মাহু কিজৈ"। অহুগী মতু'দদি লোকত্রোওবীনা লাঙখোইপিদা হায়জরে - "মামা লা'খোইপি ঐবু থাদোকপীরো নহাক্কীদমক পোৎ অমা পীরগে"। করি পোৎনো হংবদা "গু-পুইবুং" হায়বা পোংশক অহুনি হায়রে: গু পুইবুং অসি করি পোৎনো হায়বদু করিগুম্বা মতম অমদা মাহু মীনা উমবদা অরামবা খোরা'বা নাই অদা পোংশকনি হায়রে। লা'খোইপিনা হায় ফরে অহু

ওইরবদি লৌথোকলো হান্নবা মতমদা লোকত্রোওবী অহুনা অমুক অনিরকতং ওবদা গু পুইবু অদু ওথোকলমী। লাংথোইপিনা মাদু লৌরগা উমখ্রে। লোকত্রোওবী অদুস্থ থাদোকখ্রে।

লাংথোইপিনা গুপুইবুং অহু উমথিবা মুমিৎ অহুদগী হৌহুনা অরাম থৌরা বা অমগা ফাওব্রে। অহুদগীদি ময়ুমদা মুকহন হল্লক্তুনা পাথংফান্দ। ফমহুনা তুমহুনা লৈখ্রে। অসুম্না মুমিৎ কয়া কয়া থা কয়া কয়া হৌখ্রবা মতুংদা মনাওনিপাশিং অহুনা শাওনিংবা পোকলে। মনাওশিংনা য়ুমদা লাকউ কৌই লাংথোইপিনা তাবিবা তৌদনা পাথংফান্দদা লৈখ্রে। অহুদা নোংমদি মনাওশিংনা মমা শিবে য়ুমদা লাক্লবা য়াদে হায়না কৌবগা লোইননা মথোইগী চকলাবা অমা ফাবদা মথোস্তা তাহল্লগা থাদোকখ্রে। ইন্দক্তি মমা শিবা অসি শোইরমদবা তারে থন্সূনা লাংথোইপি অহু ময়ুম হল্লকই। মনাওশিংনা ময়ুমদা কম্নি তৌরি মাহুদি লা খোইপানা গোংজিন্দা কানশিল্লকদবা মফম অহুদা ‘খোই’ হায়বাদি য়াম্না অনানবা পোৎ অমা তৈহুনা থমলে। লাংথোইপিনা থো জিন হেক কানশিল্লকপা মতমদা নান্দুনা তুথখ্রে। হেক বোম লাওনা তুগবা মতমদা মচিন্দা উমলিবা গু-পুইবু অহু চোংথোকখিহুনা মচিন মনাও ময়ামগী মমাংদা থম্নো থম্নো তাহুনা লৈবা মতমদা মনাওশিংনা মুনখ্রে। মনাও ময়াম্না থল্লি পোৎ অসি মী অমা থক্তনা উম্ব গাদে ময়াম পুম্নমক থুগাইরগা মচেৎ থরা থরা উমগদবনি হায়হুনা গুপুইবু মতুম অহু মুংবাক অমগী মথক্তা থম্নগা মুক অমন শাইগৎতুনা ফুথরগা থুগাইরগে ভৌবদা

কাকথোক্তুনা চোংথোকখিবা অতুনা লাংমাইহৈজ কৌবা মপান নাইব্রখা অচৌবা পাং অমগী ময়াইদা তাখ্রে। মচিম মনাও কনা অমতা কংবা ঙমম্লিব্রে।

হুমিং থা থরগী তুংদা লাংমাইচৈজ অদুগী ময়াই মকুদা গুপুইবুং থাদখিবা অদুনা মরম ওইদুনা কৌ চরোংনা মুনদুনা লৈবা অহু অমুক উরে। মাদু জীব অমত্তনা লোথোক্তুনা চাবা ঙমদ্রে। মতম অহুদা মীওইবনা জীব অতৈ অতৈদা মাহু লোথোকনবা হায়জৈ কনা অমতা ঙমদ্রে। অহুবু অনচা লেমউচি কৌবা লমগী উচি অমনা ঐ ঙমগনি হায়রে। করম তৌনা ঙমগদগে হংবদা অচনা অদুনা হায় লাংচি কৌবা উপাম্বী অমগী মনা তরেৎ অমগা নিপান অমগা হেকলগা ঈশিং মথক্তা থমউ মাহুগী মথক্তা তোংলগা মাহু হোম্পুনা চগুলগা কৌ চরোঙ অহু লাংমাইজৈগী ঈয়াইদগী চিক থংলগা পুরকপা ঙমগনি হায়রতুনা অঁনচা অহু লাংচি কৌবা উনা অদুগী মথক্তা তোংতুনা লাঙমাইজৈগী ঈয়াইদা চঙলে। অঁনচা অদুনা কৌ চরো ১ঙাঙবা অহু পুরক্তুনা মীওইবদা মহু শিনখিরে মীওইবনা য়াম্না নুংঙাইমনথুনা অচা অদুদা হঙই নহাক্তা কৌ অসি পুরকপগী মনা ওইনা নঙগী শরুক করি পীয়ুগে হায়রবা মতমদা অচা অসিনা থম্মী ঐহাক্তী করিস্থ লৌজরোই নখোইনা শিবিখে হায়রগা ঐহাক্তা ইনাও উচিগী দমক থাইবিয়ু হায়খি। মাদুদা উচিদা মীওইবনা হঙই উচি নঙগী দমক চানাবা চহি খুদিঙগী লৌ অমা উবিরগে মাদু চারগ লৈরো হায়বদা উচিনা থুম্মী ঐগী লৌ তোংঙান্না উবিবগী শরুকপুদি ঐহাক্তি

মীওইবা নখোইনা লৈবা লৈবা জাগাদা নখোয়গী লুখাক খুনুনা চাবা পামই হায়বদা মীওইবনসু য়াবিরে। ময়ম অসিদগী উচিনা মীওইবনা লৈবা জাগা খুদিংদা য়ুমদা অমদি কৈদা উচি লৈরিবা অসিনমি। মাসিগী য়ারি অসিদগী য়োংমৈ জাতিনা ফৌ গোবা মতমদা অয়োইবা লাই শোম্মা অমুম্মা হায়রি "লাঙমাইজৈ থৌ থাওমাথয়োইনা শুনা জৌনা লাতু থুইমক মৈতা কুমৈপুকাইথৌ গঙঙো" হায়বদি লাংমাইজৈ হায়বা ঈপাক অতুদা হৌবা শানা, য়োংনা উচেকনা লোৱা ওমদবা ফৌ অতু হোংবা চাওবা অসিগী ইমুংদা লোইনা লাকও" হায়না কৌরিবা অতুননি।

কমং চারেংপু অমসুং মচিন মনাও মঙা

কমং চারেংপু হায়বা শা জাং অসি হৌজিক ঐখোইনা নোংশা কৌনরিবা শা অসিবুনি হায়নৈ। কমং চারেংপু অসিনা মচানিপা মঙা পোকপা নিপা অমবু হাত্তুনা চাখোকখ্রে। মচিন মনাও মঙা অসিনা মপা হাংখিবগী লমন থুমগে হায়তুনা য়াশ-কখি। মাখোই নচিন মনাও মঙানা মপাগী লমন থুম্বা লিরুং তেন শেম শাখ্রে। অহানবদা ময়াম্বা অহম্না লিরুং তেন পাইতুনা মপাবু হাংখিবা কমং চারেংপু অতুবু মানা ওমলগা হাংলগে হায়তুনা কমং চারেংপুগী মযুমদা চৎলে। কমং চারেংপু অসি

মীওইবগী শকতমদা লৈরগা করিগুম্বা নোংশা কৈগী শকতম লৌরগা মীবু হাত্তোক্নুনা চাবা ওম্বগী শকতি লৈবা অদুগুম্বা জীবা মথল অমনি। ময়াম্বা অহল অসিনা অহিং অমা কমং চারেংপুগী য়ুমদা লেকই। মতম অদুদা কমং চারেংপু অসি গুম্বু মরূপ থল্লি। অহিং অদুগী নমু'দা গুম্না মী অদুগী লিকং অদু মমুদা হুৎত্তুনা চাখ্রে। নোংড়ানবা মতমদা য়েনবা অমনা অস্থুম হায়না খোংথি "কোকরোকো কগিনথৈ কপৌরিং" হায়বদি খুলানবনা শিবা য়ুমবুনা হিংবা হায়বনি। মথংগী অয়ুক নোংড়াল্লকপদা মচিন মনাও মরক্তা থরাইগা অহন্না কমং চারেংপুনা হায়রে হৌজিক্তি কমং চারেংপু নহাক্না ঐগী ইপাবু চাথিবা মতৌ অদু তৌরগা থোরকলো নংনা ঐবু ওয়গা ঐবুস্থু হাংলো অদুগা ঐনা ওমলগা নংবু ঐনা হাৎলগে" অস্থুম হায়মা হায়বদা কম চারেংপু অদু নোংশাগা শকতম লৌহুনা 'ঔ' হায়না লাওহুনা চো থোকললকপা মতমদা লিকং তেন অদু শাংনা চিঙলগা কাপলগে তৌবদা গুম চাথিবা অদুনা মরম ওইবনা তেকখ্রে। মাদুদা কমং চারেঙপুনা মী অদু হাত্তোক্নুনা চাখ্রে। অশোম ময়ুমদনা ময়াম্বা অহন ময়ুম হল্লক্লে কমং চারেঙপুনা হাৎলম্বা তারে হায়দুনা অনি গুবা মচিন মনাও অদু লিকং তেন পাইদুনা কমং চারেঙপুগা ময়ুমদা চৎলে। অহিং অমা কমং চারেঙপুগা ময়ুমদা লেকই। হন্দকস্থু কমং চারেঙপুনা গুমবু লিকং অদু চারো হায়থিবদগী গুম্না লিকং অদু চাথরে। য়েনবা অদুস্থু হাম্নাদোনা খোংথি। নোংড়ানবা মতমদা অনিগুবা মচিন মনাও অদুনা কমং চারেঙপুবু মপাবু বু চাবা মতৌ অদু

শাহুনা থোরকলো হায়বদা কম·চংরেংপুনা নো·শাগী শকতম গৌহুনা চো·থোকপা মতমদা লিরুংনা কাপকে তৌবদা লিরুং তেকখ্রে। কম·চারে পুনা মা অহু হাংতোক্কুনা চাখ্রে। অসোম য়ুমদনা মমা লুখ্রাবা থোংগান্দা ফত্তবা লাইনা তমনহুনা ইমা ইমা নচা ঐ লাকলে থোং হাংদোকপিয়ু হায়হুনা লাওরকপা তাহুনা মমানা থোং হা·দোক্কুনা য়েংবদাদি কনাস্থু লাকলমদে। মথ·গী মুনিত্তা ময়াম্বা অনি লাক্কে। কম·চারে পুনা হাংতোকলমলগনি মাখোই অনিগী অমস্থু· মপাবু·গী লমন থুমগনি হায়হুনা মচিন মনাওগী মরক্ত য়াইনা অনি অহুস্থু লিরু· তেন পাইহুনা চংলে। মাখোই অনিগী লিকং অহুস্থু শুমনা চাখিবদগী নো·শাবু কাপকে তৌবা মতমদা তেপ্পুনা লৈবদা নোংশানা হাপ্পুনা চাখোকখ্রে। মমৈথংদা থরাইদগী অতোম্বা অহুদি য়োংকী লিরুং তেন শেম শারে অমস্থুং মাহু পুহনা। কম·চারে·পুগী ময়ুম অহুদা অহিং অমা থু·লরে। মাসিগী অহিং অসিদস্থু শুম্বু লিরুং অহু চানবা কম·চারেংপুন হায়ৈজ তৌইগুম্বস্থুং শুম্না লিক অহু চাবা ঙমখি দ্রে। নো ভাল্লমদাহনা য়েনবা অমনা থোংই " কো করো কো কগিন রি· কপৌ যৈ " হায়না খোংলে। নো ভাল্লকলবা মতমদা লমহাং অমদা মপা অমস্থু· ময়াম্বা মরীবু চাখিবা মক্ষম অহুদা লাকলে। অতোম্বনা হায়: " কম·চারে·পু নংনা ঐগী পাবুং অমস্থুং ঐগী ইয়াম্ব মরি চাখিবগী মতৌ অহু শাহুনা থোরকলো কৌবদা কম চারে·পু অহু নোংশাগী শকতম অমুক লোহুনা 'ঐ' লাওহুনা চেনথোকলকপা মতমদা য়োংকা লিরুং অহু শাংনা

চিংলগা য়োংকী তেৈঙ্গেনা কম·চারে·পুগী মথবাক্তা পান্দা কম· চারে পুখুদক্তে শিরে। অতোম্বনা কম চারে পু অসি শিখ্রব শিন্রিব্র থ·নবগীদমক পিন্সানপুই হায়বা কৌজে· জাং অমধু কৌরগ। চাং য়েংহনখি। কৌজেং অহুনা শিখ্রে হায়না পাও তম্বদা মচিন মনাও অতোম্বনা নোং·শাগী মকোক অহু ককুলগা মমাগী মনাক্তা পুরকখি। য়ুম য়োবদা মমাবু থোং· হাং·দোকউ কৌবদা মমানা থাজরকতবা মরমনা থোং হা দোকখিদ্রে। মচা নিপা অতোম্বনা নোং·শা মকোক অহু মাঙ্গোন্দা য়ান্দুনা থমলগা পাথং ফান্দা তুম্বা চংখি। হয়েং অয়ুক মমানা থোং হা·দোক্কুনা য়েংবদা নোংশা মকোক অহু য়াল্লম্বা অহু হেক উবদা থংমনখ্রহুনা মমা অহুম্ব শিখ্রে।

থাখিথেন (মেনতিমৈনিংথৌ)

থায়বা মমাং·ঙৈদা বিষেনপুর সবডিভিজনগী মন্নুং·দা চয়োই খুল্লেন অমস্তু ময়ুরোন কবুই খুংগী মনাক্তা কবুই জাতিনা মাইপূই কাইভাও লুখ্রাবাগী য়ুমদোমপোক , মৈতৈনা মেনতি লৈকিন থাবী হায়না কৌনরিবা জাগা অহুমক্তদা মেনতিমৈ কৌবা খুল অমা লৈরমই হায়। খুল অহুদা লৈরম্বা মমিং·না শ্রীমতি লৌকমনৈ কৌবী মীয়োল্লম্বী নুপী অমা অহুনা নোং·মদি শীং চনগে হায়হুনা জনম অমদা হুম অমগা থাও অমগা শুহুনা চংলমই। মাগী হুম

অতু অহাংবা জগা অমদা থনয়গা থাও পাযত্না শী' থিগে চংশিল্লুবদা লাইরেন অচৌবা অমা থে নরমই। অহানবা থে'নবা মতমদা ন ইরেন অতুনা লৈবা মাইকৈগী অকোয়বদা চুমথা'না খনজিনবা মতৌগুম উবদা মুপী অতু খঙগে তৌরমই। লাইরেন অতু চেনগে হায়নমু তৌরমদে। মুপী অতুনা জ্ঞাম তামা থম্বুথি। লাইরেন লৌবা হাযবা অসিদি মুপাগী মথৌনি মুপী ওইবা ঐথোয়না অসিগুম্বা অ'থৌবা শা, কৈ লৌবা হৌনদে থল্লতুনা লাইবেন অতুদা মচিন থোক্লা হাযতখ্রে "লাইবেন ন' অসি মিৎমা উথা লাই অমনি, ঐনা তাইব' শানি, হৌঝিক্তি ঐনা ন'বু খুনদা পুরগা হাৎপা তাববনি। অতুবু ঐহাক্তি মুপী ওইবনিনা নথোয়গুম্বা অথৌবা শা ফাঙনা পুবা ইথৌ নত্তবনিনা ঐগী গর্ভদা লৈরিবা ইচা অসিনা নিপা ওইনা শাকবদি অমদি ইচা মুপানা মপু' মরৈ ফারক্লবা মতমদা নংবু মফম অসিদগী লৌকগা খুন্দা পুতুনা হৌনবী কর্ম্ম পুম্নমক তৌরগে। ন'না মতম অতু ভাইবা ভয়বদি ভায়রো ভমত্রবদি হৌঝিকমক ঐগী মাংদগী চৎথোকখ্রো অমুম্না হায়রমই। অতুবু লাইরেন অতুদি এফম অতুদগা মুকলেং লে'লমমে। মানা হায়ভবা অতু যাবীরে থললতুনা থব্রা গী থব্রা'জেৎ অতু লৌথোক্লগা ফজনা থুপচিল্লগ' লাইরেন অতুগী মকোক মনাক্তা থমলগা মুপী অতুনা হায়বমই ' থব্রা'জেৎ কি অসিনা ঐগী শাখিশি নহাক্লা ঐগী ইচা নিপা পোক্লগা চাওত্রিবা ফাওবা থব্রা'জেৎ অসিনা ন'গী মোনথা' ওইনা থারগা ভাইবীরমু।

লাইরেন অহ্ তপনা মকোক হাবগংলগা খরা ঙ্গেৎ অতুগী মথক্তা মকোগা ননশিল্লগা তুমিন্না নৈখ্রে। অতুদগী মুগা অহ্ শী' পুহ্না মযুম হল্লকলমই।

মতম খব লৈরগা মন্নু' মতম চানা নুপী অতুগী গর্ভদগী নিপা মচা অমা ফংজবে। নুমিৎ মঙানি শুবদা নাজুম গাইমৈ (স্বস্তি পূজা) পাংথোকপা মতমদা অঙা' অতুগী মমি "থাথিয়েন" হায়না খোনখ্রে। নুমিং কযা, থা চহি কয়া হৌপে,। পাখ' ফারকলে। নোংমা শাঙ্গা চাবে খল্লচনা মমানা মচানিগা থাথিয়েন অতুদা হান্নগী থৌদোক লাইবেন টনবগী ব্রাবী অহ্ মথংশিংনা লিবিরে।

নোংমদি, মমা মচানা অশাংবা খিথিবা লাইরেনগী জাগা অহ্ য়েংলুরে। তৌইশুম্মন্নু' লাইবেন অদু মকম স্নুকলেংমক লেংদনা খরাংঙ্গেং অহ্গী মথক্তা মকোক খালহনা অহুমক লৈরমই। চহি তবামরি মঙা অতুগী মন্নু'দা লাইবেন অহুনা শক্তি অমনা শা উচেক চিংশিন্দুনা চাখিবগী শক শয়া' অহ্ লৈবা উবে। মমা মচানা হাযথি ফবে লাইরেন ন'না ব্রাশক কাইদনা মকম অসিদা লেংদনা লৈবমলবনিন', নহাকপু য়ুমদা পুরগা হৌনবী মতুংইন্না সংস্কার তৌবা তাবে। হৌজিক্তি ইমা ইচানা ন'বু পুবদি ঙমলোই, যুম য়োরগা খুনগী মীয়ামদা ন'বু লৌবনবা পাঙদমলূখিগে।

মথংগী নুমিৎ অমদা থাথিথেন্না মেনতিংম খুনগী থৌবৈদা (খুঙ্গা অহল কাংলুপ) ব্রাকৎলুরে। ব্রা অসি তাবদা খুঙ্গা অহনশি স্নু য়াবিরে। খুঙ্গা ময়াম চৎতুনা লাইরেন অহ্ কারগা

পোন্না অমদা হাপ্পুনা পুবক্রে। লাইরেন অহু হাক্তোক্লগা মপুক লেনখাইহনা য়েংবদা মবুক মতুংদা শেনবু মচা অনি য়াওরমলে। শেনবুং মচা অত্ত খাথিথেন্না লোহোরে। খুনগী অহল লমম্না লাইরেন অমা হাৎপগী হৌনবী ঈবাৎ পুজা নিংশোল লাইশোল পুন্নমক তৌহুন মকোক্কা মমৈগা লোবগা ফুমহুনা লোইশিল্লি।

য়াইপুব শেনবু অহুগী মপান্না খাগৎথেনগী ইমুং অস্থম অম্নম ইনাক খুমকলে। কুম অমদি অহোং যুম শারগে হায়না থাথিং ন গসিনা থল্লবলে। যুম তাফব অমা শাবা ভাববদি খাউবু (কোইউম গী অতিংবা, খোয়দব। অকনব ট উমংদগী থিবা তারমই। লৈমতাক্কী তুরেন খোংবান কোইনা থিবদা অপাম্বা উ অনভা ক খিদে। ভৌইগুষম্নু লৈমতাঙ্কী তুরেনগী অরুব ইবনগী মথাদা যেংহবকপদা অঁনবা পৌবা উ মথল অত্তগী পাম্বা অম ঈশিং মনুংদ মমি ইতিং তিন তাবা অহু উরে: উ অমা লেবে হায়না থন্দূনা ক ফান্দা অমুক কারগা কোইথি খিরে। উ অহু খিবা ফংজ্রহুনা য়ুমদা অমুক হল্লকলে। নো মদি খাথিথেন্ন মাগী শাগৈ নাতৈ পুন্নমকপু খোনলগা হামেং লাবা মচী খুহুপমুক শাংবা অমা চিংলগা লৈমতাক্কী তোর্ব্বান্দা চি থদুনা চাকপান য়ুপান থাবগা ঈশিং মথাদা মমি তারিবা উ অতি ফংহনবীরগা মাগী(খোথিহেন , যুনগী থাংডবু ওইজগে হায়না শোল্লগা হামেং অহু ঈরাৎ পুজা তৌহুনা হাৎলে। পূজা লোয়রগা বংফান্দা কাহুনা উ অহু খিবা লাকলে। লৈমতাক তুরেলগী তোর্ব্বনগা স্থাগা অমগা থেনরে ময়াম পুন্নমক

হৱাওৱে। উ অত্থু পুৱত্থুনা ময়াম হল্লকলে। উ অত্থুনা থাঙবু ওইদ্না অহোংযুম শারে। থাগিথেন য়াম্না ম্ভ ভাইনা পাল্লে।

থাগিথেনগী মচা'নিপা মমি'না' কুবংপে, কৌবা অমত্তং লৈছে। পাঙ্খং ফাঙ্জিল্লকলে। শাগৈ নাতৈ ময়াম তাল্লদ্না মমৌ অমা খিনবা তাল্লরে। থাথিথেনবু য়েংশিনবা য়েংথিবা রাথল পোল্লকলে। মা হন-তাকহনগে থল্লকলে। অহল অমনা অসুমনা হায় মদুদি ইনাক কৈরাক য়ামনা থুল্লবনিনা মৌ থিবা তারবদি অচম্বা থিগন্নসি। মোইবা নিংথৌগী মচানুপী অমা লৈৱিবসি হায়রুসি মসিনা ফগনি। মযাম্নসু যানবে মতম অত্থুগী মোইবাং নিংথৌনসু থাগিথেনগী ইনাকথুনবগী রারি মতিক মগুন তমফা য়াইগী মশক ওইরবা শেনবুং অমসু যুমগী থাঙবু উ অদুগী শক্তি অসিগী পাও তাহ।

নিংথৌগী অমত্তা পোকনীদু থাগিথেনগী থাঙলোই ময়াম্না হায়কৱে। মোইবা নিংথৌন। য়াবিৱে। অত্থুগা রাফম অ'দি য়াবাবা ওাই চায়না থাগিগন্দা হাযরকই। অত্থ ওইরবদি থাথিথেমগী মমৌ ওইবা যাগনি হায়রকই। থাথিথেন করি রা ওইরনো হায়না নিংথৌদ হঙ্গংচবল্লে। নিংথৌনা হায়রকই অশাঙ্ব' নমৌ মুপী ওইনবগীদমক ইচানুপী পীগদৌরীবনিনা ইচানুপীমী ১ঙং ওইনা নংগী য়ুমগী থাঙবু (কাইতুম) অত্থু পিয়ু। থাথিথেননা থল্লি মত্থুদি ১াগীদি য়াইপুবা শেনবুং (রোশেন রাবান অনিসু লৈবিবনিনা য়ুমগী থাঙবু অসিমা নিঙ্গোকথিবদা করিসু অকাইবা লৈতে। ঐগী ইমৌগীদমক নিংথৌগী

মচাস্নুপী অমা ফংহৌরগা লোইরে হায়না ইরাই লাইনা থল্লম্মী। মোইরা নি থৌ অমসুং থাথিথেন অনিমক রাকম অসি য়াম্নরে। হুমিৎ অহুদা থাথিথেননা নিংশৌদগা বিদাই লৌরগা হল্লকলমই।

হায়নথিবা জাবান মতুং ইন্না নোংমা নিংথৌগী মচাস্নুপী অতুগী মঙ্গৎ পীনবা হায়দুনা শাগৈ নাইত ময়াম লাক্কুনা থাথিথেনগী থাওবু চিংথবা হোৎনরম্মী। পাক য়াবমদে। মমৈথংদা থাওবু অতু চিংথরে। লৈবাক্তা হেক চিংথবগা থাওবু অদু লাইরেল অমা ওষ্ঠোকতুনা লৈমতাকী অকবা ঈশিং ওন্না চেন্থ্রে।

থাওবু অদু পীবা ওমহৌদ্রবনিনা মোইরাং নিংথৌগী মচাস্নুপী অদুবু মমৌ ওইনা ফংজগদবা অদুসু ফংদ্রে। থাথিথেনগী য়ুমগী থাওবু (অনরা কাহওুম) মতিক ময়াই লৈবা উনি। অহিংদা থাংমৈগী মতৌগুম পুমডাল ডাল্লি হায়নৈ।

হৌজিক থাথিথেন অচথা য়ুম অমা শাদুনা মেনতিমৈ খুল অদুদা লৈরে। মতম থবগী মতুদা থাথিথেনগী য়ুম অদুগী কৌশুণংগী মনাকনক্তা উচি মথুলদোন অহোবা মথুল অমা অমুক ফাওরকলে: ফৌশু চেংশু তৌবগী চেংকুপ রাইকুপ অদু মথং লোংডাল্লকপা অয়ুক্তা য়েংবদা কন্নি মন্তা তারমদবা মতৌ উবদা ইমুং-মমুংনা ইওক ওকই। মথুন অহুদগী ইত্তৎ তংতনা জীব অমা খোরক্লবা তারে হায়না পক্লুমা মোংনদি থাথিথেননা মথুন অহুগা মপাদা উকাল্লমাং অমা থাকলে। মথংগী হুমিংতা য়েংবদা লিনজাও অমা

লাং অহুদা থুহুনা লৈরমলে। লিন অহু চিথৎপদা লোইবা ন হল্লে। মতু দা মেনতিমৈ খুলগী মায়ান কৌদুনা চিংবদা লিন অদু খুন থুংনা চিংথাকলবা ফাওবা লোইবা নাইদে। মমৈথ দা শদন অমা থাদুনা ককথৎলে। ককথৎপা মতমদা মতৎ তাখিবা মখোল অদু নোনা ও বগুম লাওনা মখোল অমা থারমই। খুনজা ময়াম যেন্নদুনা লিনশা অদু চাবা তাখ্রে। লুখ্রাবা অমথক্তি মাগা শাদুম শকক অদু যেল্লকপা মতমদা ফী হৌদুনা লৈবনা থবক শংত্রি হায়দুনা কোন্না লৌশিনগে শুমাংদা যু লিবা পোলং খোক অদুদা মাল্লম্বী হাযদুনা যাল্লী। খুনজা ময়ামদি শা থোংবা চাল্লরদুনা ওম্মা অহিং ওইশিলবপনা তুম্বা হিপ্লখ্রে। লুখ্রাবী অদুদি শা অহু লৌশিন্দুনা চাবা কাওথোকলুরে, চাহৌদ্রে। অহিং থে ক্রিম্লকলবদা খুল অদুগী লৈবাক অদু প্রুপ প্রুপ লাওবা মখোন অমা তারকনে খুঙ্গ শি দি নি ডাইনা তুন ।। লুখ্রাবী অদুদি অহিং অহু তুম্বা যাদ্রে। লৈবাক নিংথাইবা অহু তাবদা অকিবগা লোয়ননা চৈ অম পাযবদুনা খুন অদুদা চৎতুনা খুনজা-শা ওসিদি লৈবাক অসি মতা অমা অমা তৌরব হৌগৎলো হৌগৎ-লো হায়না লাওর-লাওরদুনা চৎলম্মী। খুনজাশিংদি খুম্বা, কৌবা কনা মতা তাখিত্রে। উপাই লৈত্রদুনা হন্নবা অদু মযুমদা চেন-শিনল্লে। য়ুম হেক য়োবগা মাগী য়ুম অদু নত্তনা খুন অদুগী য়ুম লোইনা কিম্থখ্রে। খুনজা অদুদা লৈবা শা-ডা পুন্নমক লৈম-তাক ভুরেন তাল্লা পুথখ্রে। ওম্মা লাইরেন ওনখ্রে হাযনৈ মরম অসিনা ওইবা তাহ তুরন অতংগা লৈমতাক্লা লাইরেন য়াম্না

হেন্না লৈকিবসি অহুনি। লেনতিমৈ খুল অহুদি হৌজিক লৈরে অহুবু, হৌজিক কাওবা বিসেনপুরগী থাংবন্দা মাইনুই কাইতাও (লুখ্রাবীগি য়ুমদোমপোক) হায়না লমদন খুনগী মনাক্তা লৈরিবা মফম অহুমকনি। লমদন, ময়ুরোন খুনগী সিমান্নাদা হৌজিক খুদম চপচানা লৈরি। মানপুই কাইতাও অমসুং মেনত্তি লৈকিন-থাবী কৌবা মফম অসি লাইরেন ম্নামনা লৈবা, লৈবাক নিংথাইবা য়াকা মফম অমনি হায়না মরাম্না হায়নরি।

কবুই শলাই মাইবা (পারাপু)

"কবুই শলাই মাইবা" হায়বা মিং অসি ঐখোয় মৈতৈনা থোন্নবা মিংনি। থাঙ্গৈশেংনা কবুই (রোংমৈ) নাগানা কৌনবদি "পা রা পু" হায়না কৌই। মহাক অসি তিংপুই কৌবা খুল অমদা লৈরমই। তিংপুই খুল অসি হৌজিকসু বিষ্ণুপুরগী মনাক্তা মনিপুর শাউথ দিষ্ট্রিক্তা মখুংচনবা জাগা অমনি। মহাক অসি থাইনা মমা'ঙৈদা চীং অমসুং তম অনিমক্তা মাইবগী শিনফমদা মমিং চৎলমই। মাইবগী শিনফম অসিদা কয়ামুক হৈবগে অমসুং থংবগে হায়ববু শিরবা পোৎলোইত্রিবা মী অতুগী মথক্রাই অহ্ কৌশিল্লগা হিংহনবা ঙম্বা মন্ত্র ফাওবা হৈরমই। মীওইবগী মশাদা মুংভাইতবা, অনাবা লৈবা অহ্ কবুই শলাই মাইবনা

নাপীদা থংদে, ঈশি'দা থ দে চান থকনবা পোত্তা শোল্লগা পীজ পীথকপদা অনাবা পুন্নমক ফহনবা ভম্বগী লাইন। পাঁবা শক্তি অমা মশোন্দা লৈরমই হায়নৈ।

মতম অতুদা ময়াং তমপাক অমসুং মৈতৈ তমপাক অনি অসিদসু কবুই শলাই মাইবগী চান্নরবা মরুপ অমমম লৈরমই হায়। নো'মদি ময়াং তমপাক্তা লৈবা মাগী মরুপ অতু ম্রান্না কন্না নারে হায়তুনা ময়া' মচা অনিথক কবুই শলাই মাইবা কৌনবা থারকলমই। ময়া' মচা অনিগ' লোইননা কবুই শলাই মাইবা অতু মাগী মরুপ লাইয়েংনবা চৎলকপা মতমদা লম-থাংদা চীং তুরেল লান্না চৎপদা নত্তনা ইরং তুবেল, বরাক তুরেল লান্না চৎপা তারমই। ইবং অমসু' বরাক তুবেল লানবা মতমদা লাইরেন থরনা মকোক্ক' ঈশি' মথক্তা হাইগং হাইগংতুনা মখোয়বু লক্রম্মী। মতুনা মরম ওইতুনা ময়াং মচা অনি অতু মবুক য়েকপা নাবা অসিনচি'বা তৌরমই। কবুই শলাই মাইবনা ঈশি'দা শোল্লগা পীথকপদা করিসু থোইদোকপা তৌদনা লোইনা ফরে। কবুই শলাই মাইবনা মখোয়বু লকন-থিবা মফমশিং অতুদা চৈ অমমম য়ুংলম্মী। অসুম তৌতুনা ময়াং তমপাক্তা মাগী মরুপকী মযুমদা থুংলরে। কবুই শলাই মাইবনা মরুপকী ময়ুম হেক য়ৌবা মতম অতুদদি মাগী মরুপতি হান্না শিতুনা লৈরমলে। মতম অতুদা কবুই শলাই মাইবনা লাইবক য়ে'লগে মাগী শিথ্রবা মরুপকা থরাই অতু অমুক কৌরক্তুনা হিংহনবা ভমত্রা য়েংগে হায়তুনা মাগী মরুপ

অসিবা অতুগী মনাক্তা তুমথখ্রে। অহিং অনি মু'থিল অনি মিকপ মুকথোক থোক্তনা কবুই শলাই মাইবা অতু তুমখ্রে। কবুই শলাই মাইবনা ভুম্বা মতম অতুদা ম'লান্দা চৎলগা মাগী মকপপু .পাব লাই অদ্ তান্নবগা মাগী মরুপকী থল্লাই অদ্ চঙ্গিনহনবীমু হায়দুনা লাইশিং'দা হায়জকরিবনি। মানা হায়ব্রবা মতম দ, লাইশিং অদুনা মাগী মকপকী মশা অদ্ শদুম শদুম চংথোক্পব া ৎখীবাং তৌদুনা লৈবমলে। শলাই মাইবনা শাহুম অযাবা পুম্বনি ফংলগা লাই লুখ্রাবী অমথকনা মচা কপ্পা থেম্বদা শাদুম মচেৎ থব চাপোকপনা হায়্রমলে। অদুদি কবম তৌগনি মাগী মকপ অতুদি হিংহন্দবা যাদে হায়বা অদুদা চাথোকখিবা শকক অদুগী মহুত্তা শজীগী শা মচেৎ অমা লৌথোকতুনা শলাই মাইবনা পীবরে : শলাই মাইবনা মদ্ পুদুনা মং ফাওনবকপা মতম অদুদদি হুমণি চনবা মুমিৎ ওইরমই। হুম-নিশুবা মুমিৎ অদুদা কবুই শলাই মাইবমু মিকপ থোক-রকলে লোইননা মাগী মরুপ শিরিবা অতুমু হিংগৎলক্লে। হিংগৎলক্রবমু শজি শা মচেৎ হাপচিনখিবা মফম অতু শোকপদা পংথবা শরুক অমা ওইনা লৈ হায়। মরুপ অতুনা হিংগৎল-কপগী রাবী অতু লীবদা মকপকী মতৈ মনাও অহ্ হায়নিভাই লৈজনা হবাওখি অমসুং থাগৎখি। মরুপ অতুগী ইমুং অতুদা হরাওবগা লোইননা চামিন থকমিন্নরবা মতুংদা কবুই শলাই মাইবা অতু ময়ুম তান্না পাথং মচা অনি অতুনা থিনবিখি। থিল্লকপা অতুগী লমথাংদা অশাই লাকপা মতম অতুদা ইরং

তুরেল অমসুং বরাক তুরেল মপান্দা চৈ মুংলম্বা মফমশিং অদুদা অশাই লংনখিবা লাইবেনশি অদু থোরক থোরকতুনা শিরম্বা অদুসু থেংনরমই।

মৈতৈ তমপাক্তসু মাগী মরুপ অচানবা থোংলেন অমসুং পুংবেনবা কৌবা মেইরাং লৈবাক্তসু লৈবমই। মসিগী মতাং অসিদদি মণিপুরী লাইরিক্তা থম্বা থোইবী অসিনচিংবা লাইরিক শিংদা, পেনা ইশৈদা অমসুং শুমাং লিলানচিংবদগী কবুই শলাং মাইবগী মতিক মগুন, তৌবা ঙম্বগী শক্তিগা মরমদা ময়ামসু থংবিরিগনি অমসুং তাবিরিগনি। অদুবু মসিগী মতাংদা পনবা য়াবা থবদংগা পনজগে।

মোইরাংদা পুরিকলাইনা মোইরাং নিংথৌ ওইরিডে, মনাও ইবুংঙো চিংখুবনা যুবরাজ ওইরিডে থম্বা, নোংবান অমসুং মোইরাং থোইবীনা মোইরাং লৈবাক্তা পাল্লিডেদা মনাও ইবুংঙো চিংখুবা যুবরাজনা মচা মুপী থাদোই মোইরাং থোইবীবু নোংবান্দা থাজগে হায়রবগী মতাংদা নোংখানগা লোতুনদুনা থম্ববু মোইরাং থাদ্রি লম্পাক্তা শামু মখোংদা পুল্লগা মুংজেং অমসুং চেগাই মথক্তা চিংবদগী শিকরবা থম্বগী থরাই অদু কবুই শলাই মাইবনা লাক্তু-না থম্বগী থরাই অদু অমুক কৌরগা হিংহনখি। কয়া হিংহনখিবগে হায়বদা অসুম্না হায় মতম থম্বগী মমাংদা মাগী মরুপ শানরম্বা পুবেম্বা অমসু মাগী তালোই মুপী ঙাংথা লৈমা নোংজাগ্রবম্বা শলাই নিংথৌদা (শলাই মাইবনা) মখোয়গী মচা থমম্বু অমসুং থম্বা শিন্নরম্বা থাংসু অমসুং থম্ববু কবুই শলাই মাইবনা চহি ১০

যোক্লবা মতু'দা মপু' মরৈ ফারবা মতমদা মোইরাং লৈবাক্তা চৎহনখিবনি হায়। মতুগী মরি অসিদগী খম্বনা অব্রাবা ত্মাবা মতমদা শলাই মাইবগী মম'দা মংকাও নরক্কুনা খংলকপগী খম্বা কম্নবা মোইরা' লৈবাক তম্না শলাই মাইবা য়োরকখি। খম্বা মনাক্ত' য়োরকপদা লাই তুডশিং য়ুম সাইজিন্দা অমম্নুং থোঙ্গান্দা লৈরমই হায়। শলাই মাইবনা লাই ময়াম অতু থেম-তুনা চৎহনখ্রে। খম্বগী থরাই অতু চৎফম খ দতুনা কুফেৎ কাফেৎ ভান্দুনা য়ুমগী তুমদা' মবক্তা লৈরমলিবা অতু শলাই মাইবনা খম্বগা হকচাং মনু'দা কৌশিন্দুনা মফম চানা খম্বদগী খম্বা অমুক হিংগৎলকখিবনি হায়। মসি নওবা কযাম্ন লৈরি অতুবু মতাং অসিদ' ব্লারি মতেক অসি লোইজরে।

হাও মকাম নুপা অমসুং মৈতৈ লৈমা

য়েলহৌঙৈদগী হৌনা হাও মকাম হায়বা জাৎ অসি চিঙ্গাকী অমদি ময়ুম মকৈ ভাক শেন্নবা উতুপ লাং শিজিন্নতুনা লৈবসি চৎনরমই। হাও মকাম হায়বা জাৎ অসি নাইতোম লৈবা পামদে অতুনা মীয়াম লৈমিন্নবা য়ুমকম শেম্বা, লৌ উরগা লৌগী সিমানা যেৎপা হায়বসে হৌজিক্কী য়ুমলৈ কৈলৈ অসিনা ভাকপনি। মকাম নুপা অমদি, ময়ুম মকৈ শেমদোক্কুনা মহাক্কী লৌকম মনাক্ত উতুপ লা' অম থাকলমমে। নো'মদি কৈশিংগী মম্নুংদগী থম্নাইদগী চাওবা কৈ অমনা মকাম নুপাগী লৌকম মনাক্তা মচিঙ্গাক থিবা লাংপদা মকাম নুপাগী লাংদা কৈজাও

অহ্নু থুরমলে। তাইবং মীগী খুবাং চাংজো ঙবানা শেমগৎবা লাংদা শা খংদে লাই খংদে থুখ্রবদি পংনা নানথোকপা ঙমদে। কৈজাও অসি তাইবং মীগী লাংদা থুরগা ফমহ্নুনা লৈরমই। মতম থরা লৈরগা মকাম নুপাদো মহাক্না থাব্রম্বা লাং অহ্নু কাইবা লাকপা কান্দা কৈজাও অহ্নুনা হাওনুপা অহ্নুদা হাযবকই, ঐবু নহাক্না অমুক্তদি লৌথোকপিযুবা, লৌথোকপিববদি ঐনা নংগীদমক নুমিৎ খুদি গী চান্নবা শা অমমম পুবিবক্কান হাযবদা মকাম হাওনুপা অহ্নুনা হায়, এ। ঐনা নংবু লা দগী লৌথোকপা তারবদি ঐবু নংনা চাথোবখ্রনি অহ্নুনা ঐন নবু থাদোবপা ঙমলোই। কৈজাও অহ্নুনা হায় ঐন হাযখিবা জে বান অসিগী মতু ইন্না তৌগনি হায়না ব্রাশকপগা লোযনন। হাযববপদা হাও নুপা অহ্নুনা কৈজাও অহ্নুবু উতুপ লা দগী লৌথোকপীরমমে। কৈজাও অহ্নুনা হাওনুপা অহ্নুদা হাযরমই, মাহ্নুদি ইবানিগী অংলাৎপা রাসে অতে নমান্নবা অমত্তদা হাযদোকপা যাদে হাযদোকপিবা নুমিৎতদি ঐনা নংবু হাৎতোক্কনি হাযরম্মী।

হায়নখিবা অহ্নুগী মতু ইন্না হাপ্রনিপাগীদমক কৈজাও অহ্নুনা নুমিৎ খুদিংগী শা অমমম পুবকতুনা শাগী ঈনশাং অহাওবা ঙাক্না চাহ্নুনা পাল্লম্মী। মখোযগী ইমু দো শাগী ইনশাং নুমিৎ থুদি গী চাবদা ঙমলক্কদুনা কৈবোন লৈকাই ফাওবা য়েন্নহ্নুনা চারমই। অস্নুম হায়না তৌরকপসিদা কৈরোল লৈকাই অমদি থুলগী মীশিংনা করম হায়না তৌদুনা নিতিগী শা ইনশা

চারিবনো হায়না হংমনথিবদগীদি হায়দোক্লবা য়াদবা মতাং লাকখি। কৈজাওগা রাশকনখিবা অমা লৈখিবা অদুগী মতুংইন্না হাও মকাম নিপা অদুনা হায় ঐবু মসিগী রাশে হায়দোক্লবা য়াদে হায়রবদি খুলগী মী পুম্নমক্না ইনাক্তা ন না। লেজবা খুৎলাই থা, তা পাম্নহুনা ঐবু পুমকোয় কোয়শিল্লা। অমুম হায়না তৌবিরবদি ঐনা নখোয়না। তানিংলিবা রা মখৈ অদু লোয়না হায়দোকপাগে অদু ওইরবদি ফরে হায়দুনা মানা মানা ডংগদবা খুৎসু খুৎলাইশিং অদু পাযরগা মকাম নুপা অদুবু কোয়শিনখ্রে। মকাম নুপা অদুনা রা মখৈদু লোযনা হায়দোকলে। হায়দে কপগী ইকুই কুইদনা কৈজাও অদু কদায়দগা লাকপনো থদে মীযাম্না কোয়শিন্দুনা লৈরা হাওনুপা অদুবু নাকল অমবোমদগী চোংশিল্লকুনা ডসায় রাশকনখিবা অদুগী মতু ইন্না মচিন্দা উমদুনা জঙ্গলদা চেনশিন-খিরম্মী। মীয়াম অদুদি তৌকম খংদনা অদুম লৈহৌরে।

কৈজাও অসি মথনতা থল্লগ মুকুম মুকুম শোন্দুনা হায় মকাম নুপা অসিনা ঐবু মুংশিবিবদগী ঐসু ডসি ফাওবা হি লিবনিদো অদুনদি ঐমক্না মহাকপু হাৎলোই মরাইবক যিরবদি ইবোইশিংনা হাত্তোকখিনবা অদুগা মবাইবক ফরগনা হিংহৌবা। অদুনদি লম ইরোই খুন তিনফমদা মকাম নুপা ঐবু থাদবারমলে। ঈরোই-শিংনা মুমিৎ খুদি গী পুনকমদা খোংনাং পাম্বী অমসু হৌরম্মী। হায়রিবা পাম্বী অদুদা হাওনিপা অদু কাথৎতুনা কমদুনা লৈখ্রে। মুমিদা রাইরম ওইরক্লুনা মমলকপদদি ডসাইগা ঈরোয় মরাম

অহু খোংনাং পাম্বী অহুগী মখাদা লোইনা লাক্লগা তুম্লম্ম্রে। নোংঙাল্লকপা মতমদদি ইরোই ময়াম অহু মচিঙ্গাক খিনবা লোইনা চৎনরে। মতাং অদুদা হাওন্নুপা অহু খোংনাং পাম্বী মথক্তুগী কুমথরগা য়েংবা মতমদদি ইরোই ময়াম্না মখোম তুম-জিন্দুনা তুংশিল্লগা থম্বা মকম অমা থেংনরে। হায়রিবা শঙ্গোম অহুবু মথুংনা শোক্কংলগা থকউবদগীদি মবুক পীক থনখি। তুমিদাং ওইরকপদদি খোংনাং পাম্বা অহুগী মথক্তা কাথৎতুনা অমুক ফমখি। তুমিং খরগী মতু দদি ঐখোয়গী মনাক্তা তাইবং মী অমদি শা উচেক লৈরহুনা শঙ্গোম হুরাল্লগা থকত্তোকপা অমা লৈরমাল্লে হায়রন চিনবদগী নোংমদি ইরোই অমবু য়ুম শনবা থনমলগা অমুক মচিঙ্গাক থিবা চৎনখ্রে য়ুম শংহোবা ইরোইহুনা নাকল অমরোমদ লোৎলগা লেপ-তুনা য়েংলমই হাওন্নুপা অহু ইরোই ময়ামদো লোইনা চৎখ্রবোই নিংতুনা পাম্বী মথক্তা কুমথরগ শঙ্গোম তু ফমদা মথুংনা শোক্কৎলগা থকনিংবমখি থকলগা পাম্বী মথক্তা অমুক কাথৎতুনা ফমখিবদো। ঙসাইগী য়ুম শংহোবা ইরোই অহুনা উহোরে। হায়রিবা তুমিং অহুগী তুমিদাংরাইরম অহুদা ইরোই ময়াম হল্লকপদা রা মথৈ অসি তমলগে হায়না মুহাক্তা থন্দুনা লৈখি। ঈরোই ময়াম হল্লকপগা ঙসাইগী রা মথৈ অহু লোইনা তমমে। ঐখোয়গী শঙ্গোম তুংশিন্দুনা থমবদো হাওন্নুপা অমনা থক্তুনা লৈরমমে।

হৌজিকস্তু পাম্বী মথক্তা ফমহুনা লৈবনি হায়বদগীদি ইবোই ময়াম অতুনা পাম্বী মথক্তা য় থংলুবদাদি হাওন্নুপা অমা ফমহুনা লৈবা উথি । ইরোই ময়াম অতুনা পাই হাওন্নুপা নংনা কারগীদমক অসিরাইদা লৈরগা এখোয়গী শঙ্গোম হুরন্দুনা থক্লগা লৈবমলিবা অসিবু করিগীনো ? হৌজিকমক কুমথরগা মরম খুদিংমক সুগাইনা হায়বু হাযবদগীদি হাওন্নুপা অতু কিবোই লাকপোত তৌহুনা কুমথবগা মরম পুমনমক সুগাইনা লোইনা হায়রে । অতু ওইরবসু য়াদে ননা এখোযগী শঙ্গোম হুবালগা থকপা অসিনদি থাদোকপা যারোড় হৌজিকমক হাং-তবা হাযবদগীদি হাওন্নুপা অতুনা খুকমলগা হায়জাথ । নু শিবীহুনা ঐবু হাংপাগনু ঐনা নখোয়গী য়ুম শবা মী ওইনা লৈবগে । ঐদি মফম অসিদগী থোকথিবা তারবদি কৈঙ্গাওনা ঐবু শোইদনা হাংদোকপিরদবনি হায়বদগীদি ইবোই ময়াম অতুনস্তু মহাক্না খুকমলগা হায়জবকপদগী নু শি-যবিয়ে । অসুম হাযনা তৌহুনা মতম থরদ্দ ইবোইশিংগা হাওন্নুপাগা লৈমিন্নবে । ইরোইশিংগী শঙ্গোম অফম্বা ভাক্তা হুমিং খুদিংগী চাবদগীদি হাওন্নুপা অতু মমাই ফাওবা থামুক চাংনা ইপাক পাক্না চাওরমই । মশম মনা অমনা ইচে মুক চাওনা য়াম্না শাংদোকরকলে । নো মদি ঈশিং খো অমদা ইকজবা মতমদা মশম মনা অমা কেনথিহুনা ঈশিংদা তাওথ-খিরমই । হায়রিবা শম অতু মৈতৈলৈমানা ইরুজরিঙৈদা তাও থবকপদা থেংনহুনা লৌথি । মৈতৈ লৈমানা হায়রিবা শম

তত্থ মনাইশিংদা য়েংহল্লগা। হায়থি মসিগী শম অসি ভাইবং মী অমগী শমনি থিবগা অমুক্তা যেউ হায়বদগী মথোয়না ঈশিংখোং মনাক্তা থিবকপদগীদি হাওন্নুপা অমথক মমাই ইপাক পাকলহুনা মশম মনা ইফাংফা শমনা অমনা ইচেংমুক চাওবহুনা পাম্বী মনাক্তা ফমহুনা লৈরমই। মৈতৈলৈমগী মনাইশিনা ফমলিবা হাওন্নুপা অহুদা হুয ওমদা। লৈবা মৈতৈ লৈমনা নবু হিবা ফলবদি মনাক্ত। পুবকউ হায়বদগী থিরকপনি। অহুনা হৌজিকমক মৈতৈ লৈমাগী মনাক্তা চৎত্তবা যাদে হায়বদগীদি হাওন্নুপা অহুস্নু যাবে। ইবোই ময়াম অহুবুস্নু পুহুনা মৈতৈ লৈমাগী মনাক্ত য়োরকবম্মী।

মৈতৈ লৈমদো হাওন্নুপা অহুবু হেক উবা মতমদা ইকাই হুংশি য়াম্নবা হায়বমহ। ইবানি লৈমিন্নরসি অদোমনা নিংথৌ ওইখীবো ঐনা মৈতৈ লৈমা ওইবগে হায়না হুংগৎচবদা হাও ন্নুপা অহুনা হায়বমই ঐবু নিংথৌ ওইযু হাইবদি রেংলনফি (হায়বদি Kabui গী জগোই ফী অমগী মিংনি, শেৎকনি মৈতৈ লৈমা ওইগদবা নংনা লহু ফৈশোই (হায়বদি ময়েক নাইবা জগোইদ, অকবা কর্ম্মদা শেৎপা ফী জাৎ অমাগী মমিংনি) শেৎলগা শম অমা কোকতা হাপ্লগা নিংথৌগী ফমবালদা ফম্বা য়াববদি ঐস্নু য়াবে হায়বা মতমদা মৈতৈলৈমা অহুস্নু য়ারে। নিংথৌ ওইগদবা হাওন্নুপা অহুস্নু মৈতৈ লৈমা ওইগবা অহুস্নু নিংথৌগী ফমবাল কাবা মতমদা নিংথৌনা রেংলন

ফি অমা শেং, বাং-চখু (থাং খোবোম্বা) হায়বদি বোংমৈগী অকন অথৌ খ হনবা মতমদা শিজিন্নবা থা' মথন অনানি ।) অমা পাই মৈতৈ লৈমানা লংছু মৈ শোই অমা শেংলগা শম অমা কোক্তা হাপলগা ফমবাল কাখৎতুনা ফমখবে। মাসিগী ওাবিদগী ওইবম্বসু য়াই মাছুদি মৈতৈ নিংথৌ অমস্ুং মৈতৈ লৈমা অনিনা নি থৌগী শিংহাসন ক বদা (ফমবাল ফম্বদা। তঙাই ফদনা হাওকো শেংলগা শিংহাশন ফমগদবনি হ য়না হায়নবিবা অসিননি। মাসিগী মতাং অসিদা অথং অহৈশিংনা অতৈ অতৈ থাইনগী লাইবিক্তগী থিদোকলগা ব্রারী অসিগা কবম্বা মতাংদা চানব্রা অসিনচিংবা থিজিনবিববদি মপুং ফাবা অমা ওইববা য়াই হায়না খল্লি।

রোংমৈ শাগৈ অমসুং থানওং (রান্থ)

থাইনা মমাংঙৈদা বোংমৈ অঙোম) কৌবা শাগৈ অমগী মচিন-মনাও তবেং লৈবা ইমুং, অমা লৈবমই । নোংমদি মচিন মনাও তবেংমকনা লৌকুম্বা চৎলমই। লৌবুক অতুদগী লিন অচোবা লাবা অমসুং অমোম অনি চেনথোকপা মতমদা লিন অমবুদি হাতোকলমই লিন অমদি চেনখ্র। লিন অশিবা মশা অহু থেংহনা চাথোকশি হায়হুনা মনাংনিপা অতোম্বা অতুদা

চাক ইনশা থোংনবা লৌশংদা থাখ্রে। ময়াম্বা তকক্লা লৌ শুত্নহা চাক ঙাহবা ওহৈনা লৈবমই। মনাও নিপা অতোম্বনা চাকচফু থাংথবগা লিনশা ইনশা থোংলগে হাযত্নহা। ইনশাং শেম্বা লোইবগা ইনশাং চফু থাঙ্গৎতুনা হোৎনরিডৈগী মতমদা লৌগী অরাংথংবদগী চেনথোকখিবা লিনজাও অমা অত্নহা ইনশাং চফু অত্নহ লাক্কুনা হৈদোকখ্রে। অত্নহদগী লিন অমা অদুনা মনাক্তা হৌবিবা লাংচি কৌবা উ অমগী মকু অত্নহ লিনগী ময়ানা মচেৎ মচেৎ লৌথোকলগা লৈবাক্তা ইচাই চাহনা তাবিবা লিনশা মতুম শিং অত্নহ উ মকু অত্নহনা শোকল্লুবদা অসিবা মশাগী শাত্নহমশিং অত্নহ অস্নহম অস্নহম পুনশিনবগা লিন অহিবা অমুক ওনখিত্নহনা লিন লাবা অমস্নহং অমোম অত্নহ হিংমিন্নবগা চৎখ্রে। অতোম্বনা তৌফম থংদত্নহনা ঙক্কুনা লৈহৌবে। ঙাইহাক লৈরগা মযাম্বশিং অত্নহ লৌ শুরুবদগী চাক লামলত্নহনা লৌশংদা হনজিল্লকলে। চাক থিরে চাবসি হাযবা মতমদা মনাও নিপা অতোম্বনা হায়রমই ইযাম্বশ ঐহাক্না লিনশা অত্নহ থোংলগে হযত্নহনা চফুদা হাপলগা থোংনবা হোৎনরিডৈদা অরা লোমদগী লিন অচৌবা অমনা লাক্কুনা ইনশাং চফু অত্নহ হৈদোকখ্রে। হৈদোকখিবা শাত্নহম মযাম অত্নহ লিন অমুক ওনত্নহনা অনিমক চেনশিন্নত্নহনা চখ্রে।

মাত্নহ তাবদা মযাম্বশিং অত্নহনা চাক লমলকপা তানজা অত্নহদা শাওনিংমনথংনা মনাও নিপা অতোম্বগী মথুং মথোং

থুদেকলগা লৌশংদা থনমলগা যুমদা চাক চাবা চৎনবা থৌবাং
তৌহুনা লৈবে : মতম অহুদা মনাও নিপা অতোম্বা অহুনা ময়াম্ব-
শিংদা হায়রম্মী ঐহাকপু হুনদোকলমহুনা নখোয়না চৎকে
হাযববস্থ ঐহাকপু হৌবিবা লাংচি পাম্বী অসিগী মনাক্তা থাং-
দোক্তুনা ফমহনবিয়ু। ময়াম্বা থবনদি থা দোপীগন্নু মুংশিদে
হাযবম্মী অহুবু অমথকনাদি হোই হোই থা দোবাদিবমগে
হায়হুনা লাংচি পাম্বীগী মখোয়দা থা জিন্দনা ফমহল্লে।
থাং অমস্থ পুবক্তুনা থমলে। ময়াম্বশিংনা যুমদা লোইনা
হনখ্রবা মতুংদা লাংচি পাম্বিগী মকু অশাই লিননা চিকলম্বা
অহু শেংজোকলগা মখোং মখুৎ অনাবা মফম অহুদা হেক
তৈবদা লোইনা ফবে। লাংচি পাম্বী মকু অহু যাবা মথৈ শেং-
থোকলগা ডৌবোং অমনা থাও শাবগা মহু পুহনা অংতাপ্পা থুল
অমদা চংলগে হাযহুনা চংখ্রে। মানা ভস্ম চংনঙ্গাদা লমথা দা
হুইলাবা অমা শিবগা পুমথহুনা লম্বী নাকল অমদা তাহুনা লৈবা
অহু উবে। হুই অশিবা অমা লৈবিবা আসিদা চাং যে থোককে
হায়হুনা মাগী ডৌবোংখাও অহুদগী লাংচিংগী মকু অহু পুথোক-
ক্তুনা তৈবদা অশাই শিহুনা পুনলম্বা হুই অহু অমুক হিংগৎলক্তুনা
লেপথৎলগা মমৈ হাইহাইবহুনা মঙোন্দা লেক্তুনা লেরে। হুই
অহুগী মমিং কাংগোং হাযনা মানা থোল্লে। হুই অহু চিংহুনা খুল
অমগী হন্নুবী অমগী মযুমদা থুগলে। হন্নুবী অমগী যুমদা থুংহুনা
লেবিরৈ মতমদা অতোপ্পা ইমুং অমগী মী শিবদা মপা, মচিন মপুরা
নয়ানা থপ্তুনা লৈবা নখোন তাবে। কপালিবা অসি কবি জৌরবানা

হাযনা হন্নবীদা হংবদা হন্নবা অতুনা হায়। মখোইগী মচা নুপী লৈশাবা অম' শিড়না কংলিবনি পাখং মচা খুলানবা অতুনা হায়বকথি "ইবেন ঐহাক্ত অশিবা মী অতু হিংগৎহনবা ঙমগনি" হায়বা অতু তাবদা হন্নবা অতুনা অ'শবা ইমু অতুদা চৎলগা মবোল পুন্নমক তাংখোকলুবে। মাতু তাবদা লৈশাবা অতুগী মমা মপানা পাখংমচা অতুগী মনাক্তা চৎলগা হায়জকরে "ইন্দ্ ডে' নহাক্তা ইচা নুপী লৈশাবী শিবিবা অসি হিংগৎহনবীয়ু ' হি গৎহনবা ঙমলগনি ইচ নুপী অসি নডোনা লুনো নীরগে হায়না হায়জবা অতুদা পাখ মচা অতুস্থ য়াবে। পাখ মচা অতুন, অশিবগী ইমু অতুদা মাগী লাংচিগী মকু অংসু পুবগা লাকলে হমুংদা মী লৈবা ময়াম অদু মপান্দা ঙাংহাক তানখোকলগা মানা অশিবা হকচাং অদু লা চিগী মকু অদুনা তৈবদা, নানবদা শিবিবা লৈশাবী অদু হকথি অমুক্ক থগমলগা হিংগৎলকলে। ৱা ঙাংখোক-লকলে। অদুগাদি মখোইগী ইমুং মন্নংগী মী ময়াম অদু কৌশিল্লি। ৱা কয়া ঙাংনহল্লে। লৈশাবী অদুগী মমা মপানা হনাওমনথ্রদুনা অমস্থ হায়নখিবা ৱা মতু ইন্না লৈশাবী অদু নিপা মচা অদুদা নুংঙাংবিরে। অতুদগীদি খুন অতুদা ময়ুম মকৈ শাত্তনা য়ুম পানবা হৌখ্রে।

অমুম্না য়ুম পানহনা লৈরিভৈদা অশিবা মী কয়া কয়াবুস্থ হিংহল্লে। অহুবু মাগী নুপীদা কাণ্ডা লাংচিগী মকু অতুনা কান্নবা

মবম অকুপপদি তাকহোংলহদে। অতুবু মনা যুম থাদো-ক্তনা কবিগুম্বা মকম অমদা ংপা খুদিংদ মাগী লাংচিমকু থমকম তাবু অতুদি চেকশিন ডাক শেনবানবগাদমক ইত্তং তত্তনা পাওদনলমই। অমুয়া মা না নি। না হাযমল্লকপা অহুদা নো মদি মাগী নি না কাংগা কৌবা ক অদুগা লোইননা লৌ কুমখিবা মতমদা মাগী মুপীনা খল্লে মসিনা কবিপোৎ লৈতুন। তৌবনো ভুসিদি লেংলগ হাযনা তাবু অদ, হাং দাক্তনা য়েবদা চ মকু অা, কোকফাই শোদনা নম-খিবা মতৌ অদু ডবে। ঐ নসিগী পোৎপু ওইবে নিত্তিগী চেকশিংবা হাযবিবা অা। অসি ওইবে নমম্ব নাযিবে থবা থবক্ষু চোৎলি চাৎলি তৌ ব শা ফৌদোকা গা থবা কংলবা মতমদা অম্মুম থমগে হাযদুন রোবা অংগী মতো উমকু অদু ইনুংদগী লোটাকিনগা মুংনা ত।নাক।। মতম অদুদা মুমিৎ অমম্বু থানা শিনা খিনাফ নীনা াক ফংবা ভমদবা পোৎ ওইবা অদুদা। কুনা মচ মহৈ মুাতুনা লেবে। মতম অদুদা মাগী নিপাদি লানুক্তা লৈহৌবি। মুমিৎ থানা চল্লিবা ঐসি কবিনো যেবদা থলে। মাগী পোৎ অকবা অদু লৌবম্বা তাবে থন্দুনা নাগী ছুই অদু মাংদা যৌ চল্লগা যুম তাম্না চেল্লকপা মমদা লেতনা লৌগোকনলে। মযুম য়ৌবদা মাগী মুপিবু চৈবে অদুবু থংদ্রেদনা খৌখিবনিনা বানান্দ্র হাযদুনা লৈবে।

নিপা অসিনা অমুক থল্লি। জীব পুন্নমককী মতেং লৌবগা লৈবাক মথক্তা শাগাই অমা অতিযা থুংনা শাগৎলগা ন্নমিৎ থাদগী মাগী মপোৎ অদু অমুক মুনগে থনরে। পৃথিবীদা লৈবা জীব পুন্নমক্কী মতেং পিবিনবা ইবাৎ পূজা তৌবে। মতম অদুদা মী, শা, উচেকনচি বা জীব পুন্নমক লোন অমতা লোল্লমই অমসুং থংনবমই। থরাই পানবা জীব পুমনমকা পুন্না হোৎনববা অদুদা শগাই শাগৎপা অদু নোংথক যৌগদবা লম অমা অনিদা মডাইবে। তানজা অদা লৈশৌ নিংথৌ ৩ককক তাবৌবদি কাপদুনা চিথহৌবদগী শগাইগী মথোং অদু লৈশৌনা চডুনা নিংখাইবা হৌরে। শগাই নিংথাইগদবা মমা অদ দা মাগী হুই অরাবা কাংগোং অদুদি নোংথক্তা হান্না ইনখংখে। মী (মপু) অদুনা কাফাক্তিবৈদেং নিংথাইথিদুনা লৈবাক মথাদা লোইনা তুবে।

মাসিগী মতৌ অসি ডবদা শ্বরাবেন ঈশ্বরনা থল্লে। মী অমসুং জী মযাম অসিনা লোন অমসুং পুকচেল ৫ন্নখ্রবদি লৈবাক অমসুং অকাশ অনি অসি থেন্নবা লৈতবা তাবে থন্দুনা মী অমসুং জীব পুমনমকপু মবোল লগাডান তোডান ওইহল্লগে পুক চেল তোডান ভোডান থনহল্লগে হাযদুনা শেমখ্রে অদুগী মতুংদগীদি অমনা তৌবা অহু অমনা তৌনিংদ্রে মাদুনা মবম ওইদুনা নোংথক যৌনবা শগাই অমুক শাগৎপা ডমথিদে।

হৌজিকসু এরেথাই অনবোংমৈ জাতিনা থাজনরি মাদুদি চন্দ্রগ্রহন তৌবা অসি বোংমৈ শাগৈগী হুই। থানডং অদুনা মচিন্না থা অদু উমবদগী থোকপনি হাযদুনা বোংমৈ শাগৈগী মীশিংনা

চন্দ্র গ্রহন তৌবা মতমদা অতোম শাগৈনা হুই কৌবা চৎনবিবা অসি রাবী অসিদগীনি । রোংমৈ শাগৈগী মচিন মনাও তবেৎকী মমিং মথ শিংনা মথাদা পীজরি : (১) টুক (২) দেক (৩) লেংদৌ (৪) খোংদৌ (৫) অকু (৬) গোংচো (৭) গানচারাইনা। গানচারাইনা অসিনা শিদহিদাক ফংথিবনি হায়নৈ ॥

তেংলাম অমদি হাইপৌরাগোং অমু চরাকন্দি মুজুংপু

থাইনা মমাংঙৈদা তেংলাম কৌবা নিপা অমা লৈরমই । মহাক অহানবদা মীরোল থুংলমদে, পংতক শুতক তৌহুনা লৈবা অহুদা ময়ান্না নোকনরম্মী । মহাক মুপী থিহুনা মচা অমসু পোকলে । মহাক কয়ামুক মারোল থুংদবগে হায়ববু মাগী মুপীনা অহানবা অঙাং উনহুনা লৈরিঙৈ মতমদা মাগী নিপা তেংলাম অসিদি মাগী মুপী মনাক্তা চংবা কিরমমী মরমদি মাগী রাথন্দা শা, যন, হুই য়েন হৌদোংদৌনা মচা পোকপা মতমদা মচা হক্কনচংবদগী য়ান্না থৌবা মীবু চিক্কে, খোংকে হায়বা রাথল লৈবা অহুম হায়না মাগী মুপীসু মচা পোকপা মতমদা যান্না শাওহুনা লৈরমলবদি মাবু ফুবা চৈবা তৌরগনি থন্দুনা নিনি হুমনি ইমুংদা চংহুনা চাক চাবা ফাওবা কিরে।

নোংমদি চাক লামমনখ্রহুনা য়ুমগী থরাই মথক্তগী লোন্না চংলগা চাক চাবগে থন্দুনা য়ুমগী থরাই মথক্তা কান্নগা ইমূং মন্নুংদা চংনবা হোৎনবে। যুম থরাই অহুদা কাহুনা হুমদাং অমদগী হুমদাং অমা পাইবগা লাল্লকপদা যুমগী ফকলাং অহোবা অমদগী নুমিৎকা মঙাল চংলকপগী চৈ মানবা মঙাল ইশাং শাংনা মমাংদা লৈবা অহুংগা উ/রা ওইবরেবাই থন্দূনা পাইকৗবদ কবিস্থ পাইবা ফংদখবদগী লৈবাক মথাদা তাহুনা মাগী নুপী মচা পমহুনা ফমলিবা অহুগী মনাক্তা তারে। মাগী নুপীনা নিংগা নংনা তৌন্নিবা মতৌ অসিবু কবিনো হায়বদা তেংলামনা খুম্মা ঐদি নহাক্লা অঙাং উনহুনা লৈবা মতম অসিদা শা, ষনগী মশো গুন্না য়ামনা থোৌবা, শাওনিংবা রাথল লৈরমগনি থন্দূনা নংগী মনাক্তা চংবা কিহুনা লৈরম্বদগী চাক লামমল্লহুনা লোন্না চংবা হোৎনবদগীনি ৩ায়রে। মতুংদদি মাগী নুপীনা হাযবি- বদগী ভাব তারে। নোংমস্থ মাগী নুপিনা লৌ কুম্বা চংখ্রে তেংলামনা মচাবু পমহুনা য়ুম শ হুনা লৈরে। নুমিৎ য়ু লমদাই মতমদা মচা অঙাংমচা অহু খোম খৌরাংহুনা যান্না কপলকলে। তেংলামনা পোদনা পমদুনা নোমখোওুনা অঙাং অপ, থেমলে অঙাং অহুদি কপপা তোকপা লৈত্র। তেংলান্না অঙাং অহুগী মশা অপুম্বদা মাহুনা যেংই। অগাং অহুগী লন্নাই লেমফুদা পেং পেং লাওবা মিহুল তিং তিং চোঙবা মফম অমা মাবা ফঙলে তেংলামনা থল্লি। অঙাংনা অম্নুপ কপলিবা অসিদি মকোক্তা য়াইবোং অচৌবা অমা থুংদুনা লৈবা অসিনা ওইরে হায়বদুনা

ভিংথং অতুম্বা অমা লৌরগা অভাং অহুগী লম্বাই লেম যুদা ভিংথং অচৌবা অমনা হোৎলে। ভাইহাক লৈরগা অভাং অহু শিল্লে। তেংলামদি অভাং শিবে হায়বা খংদহুনা ম্লাইরোংগী নাই লৌথোকউবদা অনাবা অহু ফবহুনা তুমখিবা ওইগনি থন্দুনা অভাং অহু ফম্মুং মথক্তা শিগাহল্লগা ফিনা কুপশিন্দুনা থমখ্রে। হ্চাবেন মুমিদাং অভা অহৌ মমা হল্লকপদা অভা অহু কদাইদা থমখ্রে হংই। তেংলাম্ন হাগ অভাং মকোক্তা যাইবোং অচৌবা অমা থুংলহুনা কপ্পুনা লৈবদা ঐহাক্না যংইবো হোগাইবিবদগী অভাং অহু ম্লাম্লা মুংভাইনা তুমখ্রে। অভাং অহু মমানা যেংবদদি শিরমলে। মহু উবদা মাগী মুপীনা শাওনা হাযবকই নংনা ঐগী মুংশিখববা ইচাবু হাংলে য়েংউ মখুং মশা, মনাকোং উনমুক ইংলে মসিবু তুমলিবনি হাযনা লৈবিবা অসি করম্বা নিপানো? হাযবদা তেংলামসু কপ্পুনা লৈবে। মতৈ মনাও কপপা নত্তনা উপাই লৈত্রে। অহুদগী মচা অদু পোংলোইরে।
নোংমা তেলাম লৌকুম্বা চংগখ্রে। মুমিং অদু নোংজুথা ওইবনা নোং যাম্না চবম্মী নো চবদগী নিংথমলকপা অদুদা মাগী মন অদু পাইদুনা যেংই, মখুং মশা মাদুনা যেংই পুমইং ইংখ্রে। তেংলামনা থল্লি না ইংলব থোং খুং ই লবদি মা শিরে হায়বনি। হৌজিক ঐগী নাস্থ ইংলে, খোং খুংস্থ ই লে অদুনা ঐস্থ শিরবনি অসি থন্দুনা অশিবদি যুমদা চখা ষাদে হাযদুনা তুমিং কাং চিকখ্রবা মতমদা থুনগী কোনথোং মপান্দা ফমদুনা লৈরে। লৌ কুম্বা মুপী নহাশি না

ঙসিদি তুমিৎ চিকখ্রে দা হায়না হারী শাবা অদু তাবদা তেংলাম্না লাওবকই অশিবা ঐগীদা নত্তনা নখোই অহিংববুস্থ তুমিৎ চিকপ্রা ? হায়বকপা অদু তাবদা তমনবা লৈবে হায-দুনা লোইনা চেনবা মতমদা মাস্থ লৈবা কিরদুনা ১যুমদা হুল্লকখি ।

অস্থুম্না চো লম চাদবা থবক কয়া তৌরবা মতুংদা মাগী মমং হাদা অচম অচুম্বা মঙতাক কয়া কযা শন্দোবলকলে অদুগী মমিং চৎপা ১াইবা অমা ওইরকখি । মহাক্লা ঈশ্বরগী পাওতাক কযা কযা শনদোকখি। তেংলাম্না মাগী মুপীদা হায়রকখি মাদুদি ঙসিদগী হৌদুনা মুমিৎ তবেৎ লৈবগা নিপানশুবা মুমিত্তা শ্বরারেন্না মাগী মাইবা ওগনবা মাবু (তেংলাম্বু) পুরগনি হায়রম্মী । মাদু তাবদা মাগী মুপীনা মাগী মপুরোই-বদা মখলমখা অম্নাম্বা পাওতাক মাগী মপুরোইবা চৎখ্রবস্থ মীওইবগী অনা অয়েক তৌরকপদা তৌগদবা নিয়ম পুমনমক মী-ওইবনা পোকপদা হিংবদা অমদি শিবদা কবম ববম্বা হৌনবা তৌগদগে হায়না হংবদা মাগী মুপীদা লোইনা তাকপিবম্মী ।

অদুগী মতুংদা মুমিৎ নিপালনি শুবদা নোং মুংশিৎ অমস্থং লৈচিননা তে লামনা লৈবা জাগাদা ওমশিল্লক্কুনা তেং-লামবু স্বর্গদা শ্বরারেন্না মাগী মাইবগী দমক পুখ্রে হায়নৈ মানা মাইবগী লমদা ফাওগৎলকলবা মতমদা মাগী মমিং তেংলাম কৌ-বগী ১হুত্তা হাইপৌরাগোং মু-চরা কনদি মুজুংপু হায়না খঙনখ্রে

হৌজিক ঐখোই রোংমৈ জাত্তিনা চংনরিবা ইনাৎ ধর্ম্ম কর্ম্ম হৌনবী চংনবী পুন্নমক অসি হাইপৌ রাগোংমু চরাকান্দি মুজুংপুগী পাওতাক্না অয়াম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোকলোই। মরমদি রোংমৈ জাত্তিনা ঈরাৎ পুজা তৌবদা ব্রাহৈশিং অসি হায়নরি মাহুদি হে অপৌ রাগোংমু চরাকন্দি মুজুংপুরোই দিনকী" হায়-হুনা লাইশোনগী অহৌবদা ইতৎ তৎতনা পল্লি। হাইপৌ রাগোংমু-চরাকন্দি মুজু পুগী মরমদা থিজিন খোংচিনলগা খণ্ডবা য়াবা মরম কয়ামরুমম্নু লৈরিগনি অহুবু রারী অসিদদি অহৌবা ওইনা অথংবা থরা ইজবগী ব্রাদনি। মসিগী মরমদা অথণ্ড অহৈ কয়ানস্নু তাকপীরকলবদি রারি অসি মপুং ফাবা ওইরকপা ওইসনু হায়না ময়ামদা নোল্লুকচরি।

"লৈরেমনং অমত্তুং গুইলেননৈ"

থাইনা মমাংডৈদা বরাক তুরেল মপান্দা গকনাইনম কৌবা খুল অমা লৈরমই। খুল অহুদামশক মতৌ ফজরবী মশা মউ য়াম্না ফবী কিনবোল্লু কৌবী নুপী লৈশাবী অমা লৈরম্মী। নোংমদি কিনবোল্লুনা লশিংলৌ কুমহুনা লশিং লোক্কুনা লৈরি-ডৈদা ফুবোন কৌবা লাই পাখং অমনা কিনবোল্লুগী মশক মতৌ ফজবা অহু উবদা য়াম্না মুংশিবা পোকখি। ফুবোন লাই অসিনা

